ব তারা





ধ্রুবতারা



মাইস্নাম্চা ইমোচা

কোংজবী :— বাংখৈরাকপম ত্রিভোলু ইবেমহল
[illegible] লৈকাই ।

অ,ক ত্রিয়ু : — (১) কনজোবম য়োমে, বাংখৈ ।
[illegible] ইমাম জয়ন্তা, বাংখৈ ।



[illegible] :— [illegible] ।

[illegible] ওইথা । লাইরিক য়োনবা হুকানশিংদা

নমকম :— নোংদম্বা, উন্নমণও প্রেস
কৈশামথ্যাং থোঙচোম লৈকাই ।

মথুম য়েকপা :— লাইদম্বম বকান্তকুমার, বাংখৈ ।

অহানবা থুংনম :— কোপী ১৫০০

অমমল লুপা ৫ তনি ।

কংচবা

কনজনিংঙি ঐগি ইরৈবাকসু মুদংমকসু
হিংহনিংঙি ঐগুম থুদিংমকসু
অদুবু লৈজবে ঐগীদি উবাই।
কজনিংঙাইদুবু লৈজবে ঐগীদি
চম্বা থুদোলসি মতুনা।
কজ্জরি, ঐগী থুদোল নাচোমনে
তসিগী চপ্পনরবা সমাজসিগী ইরৈবাক চাপিংদা
লৌশিনবীদুকো লংনবা লৈতনা!
হৈরু-হৈরু ইজবা ঐগী থুদোল নাচোমনে।

অক্টোবর ঃ

ইমোচা সুকাং

"ৱারোল"

"ধ্রুবতারা" ঐগী নিংঙমহৌত্রবা পুস্তিগী ৱারীরা নত্রগা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংগী নিংবা কাইরবা পুস্তিগী থৌদোকশিংলা ? নত্তে ঐগী ৱাখলদা চন্না শাগৎ বা মূর্তিনি, কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংগী পুস্তি ৱাখিগা মাঙরম্বা লৈরবস্তু ঙাকপীগনি নিংজৈ।

ঐগী অহানবা ওইনা পুথোকচরিবা উপন্যাস অসি ঙসিগী চম্মনরবা সমাজসিদা কথোকপগী মঙালি অমথক কংহনবিংগনা ইজরবনি। য়াম্না হৈবা 'মন্ত্রনা' অয়ানি অশোয় কঁয়া য়াওরবস্তু ঙাকপীগনি নিংজৈ। অহানবা উপন্যাস অসিবু মরাল্লা তরাম তরাম ওকপিবগা লোয়ননা মথংগী লাইরিকশিংবস্তু ইরাও ইরাও লৌবিননবা নিংশিংজরি।

লাইরিক অসিবু পুথোক্নবা হোৎনবদা তেংবাংবিরকখিবা :- লাইমযুম হেমন্ত্রা, থোংঙাম য়ুচা রাজমনি, কানজোম্বম সোমেচন্দ্রা, য়ুম্নাম-চা জায়ন্তা, নোংমাইথেম-চা রাজিব, কুনজবম বিপ্লান, সনা জাওবা, মাইস্নাম-চা ইন্দ্রকুমার, রামানন্দা মুখু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

অছুগা নোংদম্বা উনমশঙ প্রেসকী তেংবাংবীবশিংবুস্তু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। অমদি নোংম নোংমগী চাওখৎলকপা ওইসম্মু হায়না ঈশ্বরদা থৌজিজরি।

ইমোচা লুবাং

ৱাংখৈ কোনসম লৈকাই।

লাইরিক অসি হায়না পান্নিত্তৈগী মমাংদা অৱানবা অসি হায়না চুমথোকপিনবা নিংশিংজরি।

লমায়	পরেং	অৱানবা	চুমথোকপা
১	২	খউজ্রবা	খঙজ্রবা
১	১৩	সন্ধিনারনিগী	সন্ধ্যারানিগী
২	২১	মুমিংচুমা	মুমিংচু—মা
১১	১	নিংশিংনুরগা	নিংশিংনুরগা
১১	২৪	ওইররি	ওইরবি
১১	৭	নোংলৈ	নোংমৈ
১৩	৪	তৌদমা	তৌদনা
১৯	১৫	অবা	অৱা
২১	৪	ঐবু	এহ
২১	১৮	আইননমদো	আ-ইনর্ম্মদো
৪৭	১৫	অহিংহুদা	অহিংহুমা
৪৭	২৬	মসি	মসিবু
৪৮	২	ইতেমতা	ইতোমতা
৪৮	৩	থনজখি	থুমজখি
৪৮	৫	চংগ্রবন্দু	চংগ্রসন্থু
৪৮	২২	পাম্বী	পোঃম্বী
৪৮	২২	জুলা	জুরা
৪৯	১৬	হায়সিবা	হায়সিরা
৫০	১৯	ওইহনবীরি	ওইবীরে
৫০	২২	থরকসিদনি	থরক্সিদনি

'ধ্রুবতারা'

চৎথ্রেদো মাদি থাদোক্লম্লগা ঐখোয় পুম্বা, চৎকে তাল্লমদ্রে কনাদম্ব য়েংনিংদ্রমাল্লে ঙসিগী অচুম অরান মশক থউদ্রবা সমাজসিবু।

মুংথিলগী পুং অনিবোম তাবম্লগনি। থিংলি থিংলি চুবম্বা নোংঙম্ব লেপখিদ্রনা অতিয়াসে। তশেং তশেংলকলে। অমংবা নোংশিংদু হুমদোকখিবগা মুমিংকী মঙালম্ব মালেমদা খোঙদারক্লে। মতম চুম্লগী ওইনা চীক্কনতা লৈববা ঐগী কাংদা ঐ তুমিন্না অহুম্মক ফমংনা মাগী রাবিশিংদু মথং মথং নিংশিংলুবি। মাংদা তেবীল মথক্তা ফাক্তোক্তুনা লৈববা পাওচেদু অমুক হঞ্জিল হঞ্জিল পাকবি। রাখলসি চমম্লবকই ভুংদা থোকলকদবা রাববা থৌদোক-শিংদুগী খল্লুবদা। রাখলসিনা ফুমবংনবক্তুনা কোকসি উরু উরু ঙাওবগুম তৌবকই। ঐ খনফম থোকলক্কে কবম্না মঙোম্দা রাহৈশিং অসি ফোংদোক্কদবনো, কবম্না পীগদবনো মাগী রাহংগী পাউখুম।

নি শিংলকই মুমিংতু সান্ধিনারনিগী মীৎকী ওপবেসন মুমিংনি, সন্ধ্যারানিদো কয়া য়াম্না হরাওরমগবা। ঐনা মাগী কাদা চংলকপা-মক্তদনি মানা হবাওনা কৌবকখিবদো – "দাদা রোনেল' ঐনা মুমিং তুদা থুমখি, "ঐনি নঙগী দাদা বোনেল নত্তে"। ঐগী পাওখুমদু তারগা মানা অমুক মখা তাবকখি, "ডাক্তর ঙসি ঐগী মিংকী ওপবেসন মুমিং নৎত্রা? করিগীনো ঐগী দাদানা হৌজিকফাওবা ঐগী নাক্তা লাক্ত্রিবা? ঐ মাগী রাহংদুগী পাওখুম পীবা ঙমখিদে তুমিন্না অহুম্মক লৈখি।

ওপরেসনগী মতম য়োৌশিনক্লে, ঐ সন্ধ্যারানিবু পুদ্না ওপরেসন থেৎতর তান্না লাকখি। মৈনায় পুমঙাল তান্না থাল্লবা ওপরেসন থেৎতরদ্দা নরস ময়ামদ্না ঐবু খোৌরাংনা ঙাইরম্লি। ওপরেসনগীদমক্তা থাম্নিবা কমুংদ্দা নরসশিংদ্না মাবু হিপথহল্লে হিদাক থাদ্না মাবু পংথহল্লে। ওপরেসন তৌবা হৌরে, মতম্না অম্নুম্মক হৌখিবগা ওপরেসনশু লোইরে। চেকশিংনা হিদাক হাপত্নুনা বেন্দেজ তৌরবা মতুংদা নরসশিংদ্না মাবু মাগী কা তান্না পুথ্রে।

মিংকী বেন্দেজ কায়বা হুম্নিংনি সন্ধ্যারানিদ্ কয়া য়াম্না হরাওরমগবা ঐ হায়বা ঙমদ্রে। মাইথোংদ্ মকা লাম্মী অরাবা য়াওদবগুম তৌই। মাগী বেন্দেজদ্ লৌথোকখিবগা মুশি মুশি ঙানলমবা কাদ্গী মৈঙালদ্ তপনা তপনা ঙানখৎলক্লে। সন্ধ্যারানিগী মিং অনিদ্ তপ্না পাংথোরক্লে। তপ্না কৌরকই মাগী দাদা রোনেলবু —"দাদা রোনেল, দাদা রোনেল, ঐ মিং উরে' হরাওনা ঙাংলম্বা রাহৈশিংদ্ লেপ'থ্রে।" তপ্না তপ্না ঐথোয় খুদিংমকপু কোয়না য়েংলগা হায়রকখিবদো, "ডাক্তর ঐগী দাদা রোনেল কদাইদা চংথ্রে।" ঐ পাক হেক মাগী রাহংদ্গী পাওথুম পীবা ঙমখিদে মমৈথংদা ঐনা খুমখি, "সন্ধ্যারানি, নঙগী দাদাদো থবক অমা চংখিবনি থা অমখককিনি হায়ন্মী ঐঙোন্দা। থোইদোক্না রাকনুদা নঙগী দাদা লৈত্রবসু নঙগী দাদা শকপা ঐ লৈরিবসিদি করিশু হংগোইক্নুসু হায়নিংবা রাদো ঐঙোম্পা অদ্ম হায়য়ু।"

হুম্নিংথুমা রা ঙাংখিদে তুমিলনা অদ্ম্মক লৈখি। ঐদি মাবু—ঐগী য়ুম্দা লৈসি হায়খিবনি অদ্বু মহাক্না য়ানিংদবা অদ্দা অদ্ম ময়ুমদা থিনথ্রবনি। অদ্বু ঐনদি মাবু অদ্ম্মক ঙাক শেনখি। করম্না কনাগী অশাদনো মানা হাংলবা চাওরবা কনা লৈত্রবা য়ুমজাওহুদা মোমোন নোক্না পুন্সি লেপ্লিবা। মাগী অশাদা নত্রা?

অহুবু অমুক হুন্না লাক্লরোই নওগী দাদা রোনেলদি। মাবু পাওসি থেংনরক্লগদ্রা ? খবরগী চেনাহৃদা।

রাখল ময়ামসি খল্লবদা ঐ ইশানা ইশাবু কাওথোক্লনা কপম্ন কপলুরমালে। ঐদি ওসাই মথৈ উরুদে সন্ধ্যারানিস্বু ইনাক্তা লেপ-তুনা লৈরম্লে। ঐগী মিংলুদগী পিরাংশিংন্থ সন্ধ্যারানিনা উরমাল্লে তপ্না হায়রকখি "ডাক্তর কন্নি মিংবা থুংদবা লৈরবগে অন্না শকলোন পুহনা মিংলুদগী পীরাং শিন্থরিববো ?

ঐহাক ঐগী পীশিংহু তৈথোক্লনা তপ্না খুমখি—"সন্ধ্যা ঐহাক করিম্ন তৌদে, কায়নথবা মরুপ অমথক নিংশিংহুনা কপলম্বনি. নওবু চুম্না স্থম কোইথোরকপ্রা ? নম্রগা থবক লৈব্রা। কম্মু চা থকখিসি।" ঐহাক মা 'লাকপগী' মরম থংহুনম্বু খওশিন্নদবা শাহুনা হংখিবনি। মানা ঐগী রাহংগী পাওখুম পীবগী মহুত্তা ঐম্বু নিংওমদনা য়েংলগা হায়রকখি, "ডাক্তর, ওসিম্ন ঐগী রাহংগী পাওখুম পীবিররোই খল্লব্রা ?"

"নওগী করম্বা রাহংগী পাওখুম ঐ নিংশিংবা ওমদ্রে।" ঐনা খুমখিবনি অহুবু তশেংনা ঐ কাওখিবদি নত্তে। ঐদি ওসাই মথৈ উরমদে মহাক্কী মায়থোংহু নিংওমদবগী পীরাংনা পুমচোৎ চোং-লমলে মহাক তশেংনা কপলে। তনিকপা খোঞ্জেলনা হায়রকখি— "ডাক্তর হায়বীয়ু ঐগী দাদা রোনেল কৈদোউঙৈ-লাকনি ঐগী খুমদা ? করিগীনো মানা হৌজিক কাওবা ঐগী 'নাক্তা-লাক্তিপ্রা ?"

ঐ মাগী রাহংগী পাওখুমহু পিদনা ওাইহাক্তি তুমিন্না লৈখি। অহুবু মানা তত্তনা হংলকখি, "ডাক্তর হায়বিয়ু কৈদোউঙৈ লাকনি। ঐগী দাদা ?"

মাগী রাহংগী পাওখুম পীদনা ঐ খাওহুনা লৈবা ওমলক্তে। ঐ ইতোমতা মতাং চারে হায়না খন্দুনা লিথোক্লগে খল্লে বারি-শিংসে। ঐনা তপ্না নিংওমদনা লেপলিবা সন্ধ্যারানিবু য়েংহুনা

হায়খি "সন্ধ্যা নঙগী ৱাহংগী পাওখুম ঐ শোইদনা পীগনি অদুবু নঙগী পাওখুম পিদ্রিঙৈগী মম্মাংদা ঐ ৱারি অমা লিগে তাও।"

সন্ধ্যারানিদো ঐগী ৱারি তাগদবগী শেম শাদুনা লৈখ্রে। ঐ তপ্পা ৱারি লিবা হৌরক্লে।

হুমিং অদো নিংশিংলি ঙসিস্থু, থম্মোয়ন্নুংসিদা হৌজিক্তা থোকখিবগুম মমি তারি। কা অসিমক্তদনি, হুমিদাংগী পুং তরা তাখ্রে। ৎমচাক্লরবা কালেনগী মৈশাদ্ খাংনা খংনা ঐহাক উপন্যাস অমা পুক্লিং চংনা পারুরি। মৈস্থু লাক্তবনা কাদ্ মৈ থোই- দোক্লা ঙানদ্রে। খংহৌদ্রা কনাগুম্বা অমনা মপালদগী ঐবু কৌবকখি, "ডাক্তর.......ডাক্তর।"

ঐ ঙকখি কনাবু ওইরমগবা খনখি, অস্থুক থেঙলবা অহিং- সিদা ঐবু কৌরকলিবা? অদুবু খোঞ্জেলসি ঐ তক্তনা তাখিব- গুমদি তৌরে ঐ ইতোমতা শোনজবনি। ঐহাক হংনিংখিবনি কনানো হায়না অদুবু হংলুবা তৌদ্রে, তপ্পা থোঙ হাংদোক্লুনা কনানো য়েংলুরি। ঐগী কারোমদগী থোরকপা ময়েক শেংনা ঙানদ্রবা মৈঙাল- দুদা ঐনা মাবু তপ্পা লাকশিন্দুনা কৌরুরি, মরুপ ইমুংদা লেংশিনসি।"

ঐগী ৱারি মরক থৎনা সন্ধ্যারানিনা হায়রকখি, "ডাক্তরগী মরুপ হায়রিবদুম্বু কনানো? করিগীদমক থেংলবা অহিংদুদা লাক্লিবা?"

ঐনা মাগী ৱাহংগী পাওখুম ওইনা হায়খি, সন্ধ্যা ৱারি তাখো কোন্না পুন্নমক খঙসক্কনি।" ঐগী ৱাহৈশিংদু তাবদা মহাক তুমিংলা ৱা ঙাংদনা অহুম্মক লৈখ্রে। ঐনা ঐগী বারি মখা তানা লিংবা হৌরকখি।

ইবানিমক ঙাইহাক সেংফদুদা ফম্মিন্নরবা মতুংদা ঐনা তপ্পা হংখি, মরুপ করি তান্নগদবা লৈবিবগে অস্থুক থেংলবা অহিংসিদা ঐগী নাক্তা লাকপিববো?"

মহাক্না তপ্না ঐবু য়েংলদুনা হায়রকখি, "ডাক্তর, থেংলবা অহিংসিদা হৌদোরকই হায়দুনা ব্রারৌবিগন্নুকো. সমাজসিদা তোক-খায় তারবা মীবোং অমা ওইরুবনা অয়ুক মুংথিলদা ডাক্তরবু উন্নবা লাকপা ঙমখিদবনি। ঐনা লাকচন্নিবা অসে মাগী অনাবদুবু কমদৌবা তারবগে হ্‌বা লাকপনি।"

মাগী মীরোংনি হায়বা ব্রাহৈদু তারুবদা ঐহাক হকচাংসিদা করিগুম্বা খবদি চিংনবা পোকখি। ঐহাক মহাক্কী ব্রাহংদুগী পাও-খুম তপ্না পীখি, "করিস্ব ব্রারৌনি ঙাই লৈতে. অদুবু মরূপ কন কন্না হেৎনদুনা যেংলবনি অদুবু অশাদি উদ্রে।"

ঐগী পাওখুমদু তারগা মরূপকী মাইথোংদু অরাবগী মমি তাবকখি। নি ঙমদনা নিংলুদগী পীবাং শিন্নবকখি। তপ্না মচিলদা শোল্লকখি, "ঐহাক ইচলবু মমিং উহনবা ঙমলরোইদবা।"

মাগী মতৌদু ঐ য়েংবা ঙমখিদে, ঙাইহাক লৈরগা ঐহাক ব্রাখল অমা লাকখি। ঐনা তপ্না হায়খি, "মরূপ উপাই অমথ-রুদি লৈবি।"

"করম্বা উপায় হায়বীয়ু ডাক্তর ইংলনা মিংপু উরবদি ঐ সংসারসি থাদোকপ্রবস্নু য়াবে।"

মাগী ব্রাহৈশিংগী মখা ঐনা শমথরকখি "কনাগুম্বা হিংলিবা মীশক অমগী মমিংপু ফংলাদি পুন্নমক পাংথোকপা ঙমলগনি।"

"ডাক্তর অশেংবনিকো।" মহাক্না চৌংননা হংখিবনি। ঐনা অমুক খুমখি, "অশেংবনি মরূপ অদুবু কনানা মাগীদমক্তা মীং পীবিরকনি।"

ঐগী ব্রাহৈশিংদু তারগা মহাক হরাওবগী পনদোম লোমখি-বগুম তৌখি। ঐবু চেজেং কোনশিন্দুনা মুংঙাইবগী পীরাং শিন্ন-রকখি। অদুবু ঐদি তুমিন্না অদুম্মক লৈখি। মহাক্না হবাওনা

হায়রকখি, "ডাক্তর ইচলগী মীৎ উহনবদা ডাক্তরনা তেংবাংবিয়ুকো, ঙসিদি ঐহাক কন্নাদা নুংঙাইববা ইচলগী অম্মমবা স সারগা ঐগী অঙানবা সংসারগা ওন্নবা ঙমলগনি খনবদা। চীংনবা লৈতনা ইচলগী মফমদা ঐনা ঐগী মীৎ অনি কৎলবনি।"

ঐহাক তুমিননা অহুম্মক লৈখি। মহাকপু ঙাওবত্রা হায়না খনলুই। ঐগী নিংঙাইদবা মতৌঙদা মহাক ঐবু ন্নারোরমাল্লে তপ্না হায়রকই "ডাক্তর ঙসি ঐগী নুংঙাইরবা মুমিংসিদা করিগীনো অদোমনা অহুম্মক তুমিননা লৈবিবদি। নহাক ঐগী ইতেং পাং লরোই খল্লব্রা? ডাক্তর ঐবু নুংশিবীদ্রবস্তু ঐগী মবাইবক খিবদা ইচলমুদি নুংশিবীয়ু।"

ঐ মাগী থম্মোয় শোক্লবা ন্নাহৈশিংদ্ তাঙমনাক্তে। ঐনা হায়খি "মরূপ ন্নাংল ঙদ্ ওন্নবে এবু লাননা লৌ'ঙু। ঐ মরূপপু তশেংনা নুংশি য় ববদি ন্নাখলদু থাদাকপিয়ু মরূপগী ইশা নহানি ইনখৎলক্লিবা পাখং অমগী নুংঙাইববা পুন্সিদ্ ঐস্তু পাখংনিনা খঙভি। নুংঙাইববা নহা ওইবগী কল্লবা ইবৈদ্‌দা মরূপনা মীৎ তাংলবা অমা ওইনা চৎখিবদো ঐ য়েংবা ঙমলোই। মরূপ মিৎ তাংলবা অমগী পুন্সিদি হিংলুবগী কান্নবা লৈত্রবনি সংসাবসিদা; মরুকংলবা উপালগুম্বনি। অদুগীম্তু মথক্তা হায় দোকপদস্তু লাইবনি থবক ওইনা পাংথোকপা তাববদি অৱাবগী মশনি"

ডাক্তর করিগী চীংনরি লেপকদবা ঐনা লেপলিনা পোকচৈং-দগী সংসারগী অঙানবা হায়বদো উজরক্তিব্রা ইচলনি য়েংজসরু পেননা মালেমগী ফজবা, পেল্লে ঐদি য়েংনিংত্রে মালেমসিগী ফজবা।"

য়েংঙু, সন্ধ্যারানি মহাক মাগী লেপলিবা খোংফমদগী হোংঙু য়াখিদ্রে। মহাক্না তত্তনা হায়খি, "ডাক্তর ঐদি হিংলুবগী কান্নবা

লৈত্রবনি, ঐগী ইফমদদি মিৎ তাংবা উবা অমত্তনিনে। পুন্সিগী মীয়াৎ তারবা ঐনি সুক্না মম্মলবা জেলগী কাথুনুংদদা মিৎকী কাননবা লৈত্রে ডাক্তর।”

“মরুপ মীরোৎ অমনি অদুবু শুক্না ম্মলবা জেলগী কাথু-নুংদদা মরুপ হৌজিকমক্তি লৈত্রি। করিগী পুন্সিবু অদুক মমল লৈতনা খল্লিবা।”

“ঐ মীরোৎনি, হুরানবগী তরানি মপুগী নোংমা, নোংমদি শোয়বোই ঐস্সু পুন্সিসকী ঙম্নিদা থবায় থাখিনি। অদুগীস্সু মথক্না ঐহাক সংসারসিদা মীৎকুপ অমত্তা হিংনিংদে ঐগী থম্মোয় কায়ববা পুন্সিগী ৱারিশিংদুনা ঐবু তত্তনা অৱাবা পীররে।”

মাগী ৱাহৈশিংদুনা মহাকসি পুন্সিদা নিংবা কায়রবা মীশক অমনি হায়বা ঐস্সু থাজরে। মাগী নিংবা কায়রবা পুন্সি ৱারিদু ঐস্সু তানি লৱে, ঐনা হায়খি, “মরুপকি নিংবা কায়রবা পুন্সিগী ৱারিদো ঐগী ইফমদা লিরয়ো।”

ঐগী ৱাহৈশিংদু মানা তারগা অৱাবগী মীনোক অমা নোক্লুনা হায়রকখি, “ডাক্তর ঐগী অৱাবগী পীৱাংতনা পীরোইনরবা ৱারি-শিংসে মতম কয়া কনাগী মফমদা লীররোই খন্না থমলকপনি থম্মোয়নুংদা ওমচাক্লনা অদুবু লিরগে ঙসিদি ম্মলবা থাশিগী অহিংসিদা।”

ফন থেংজিনলক্লবনি অদুবু ঙসিদি মিৎসে উইশিননিংবা পোকত্রে। মহাক্না মহাক্কী ৱারাশিংদু ঐঙোন্দা লিথরকপা হৌরকখি—

ঐগী পুন্সিগী ইহান হানবা নিংবা কায়রবা ৱারিনি। ঐনা চহি মাপললোম সুরকপগী অতুৱাইদনি, ঐহাক কয়াদা নুংঙাইনা পুন্সি লেল্লম্বা ইমা ববা অনিগী নুংশিবর্গা মীৎয়েং মথাদা। অমত্তা

তাংনা ফংজবা মচাগা ওইরে ঐসে মতমদদা ইমা ববা অনিগী অয়ুক্কী য়ুমিৎনি য়ুমিদাংগী থাজনি। ঐগী অপাম্বা তৌহল্লি ঐগী নিংবা থুংনবা। ঐগী ঋবা সরকারগী সিঃ আইঃ ডিঃ নি অয়াম্বা মতমদা য়ুমদা লৈতে। মমা গী চহিশিংদদি ববাদু য়ামদ্রবদা চহি অমগী মন্নুংদা থা অহুমলোমদি য়ুমদা লৈবনি। অদুবু চহি হুমদি ববাদো য়ুমদা হল্লক্তে অদুবু ঈ পাওদি লেপতনা থারকই। অদুবু অঙাং ওইবগী হৌনবা মতম কুইনা উবক্ত্রবা ববাবু তনা উনিংলকখি।

মতমদু অয়ুক্কি, নিংথম থাগা ওইবনে মফম পুম্বা লৈচিল্লনা পুম্মম মম্মা থাগৎলকখি। ঐ অমুম লাইরিক পানবদগী খ শেপ লেপ্ত না ইমানা লৈরিবা ফিশাকোললোমদা লাকখি। ইমাগী নাক্তা চংশিন্দুনা ঐনা থম্মোয় শেরা হায়খি—"ইমা ববাদু কৈদৌঙৈ লাকনি? ববাদু লাক্তবা কুইলেকো।"

ঐগী বাহৈশিংদো তাবগা ইমানা তপ্পা হায়বকখি, 'ইবুঙো ববাদো কৈদৌঙৈ লাকদবনো খঙদে। অদুবু থোক্লকপম্ভু য়ারে থবক লোইগদৌরে হায়বনি। চৎলো লাইরিক পারুবো পরিক্ষা কুইদ্রে হায়বদাই।"

মতমদু ঐ ক্লাস সভেন তম্লবনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী পরিক্ষা থুদিংমক ঐনা মকোক থোংনতা ল কখি। ইমাগী বাহৈগী তুংইন্না ঐ অমুক লাইরিক তৌফম তান্না লাক্লে। ফমথবদা মঙাইরি ঐনা নাকল্দা হৌরিবা অতরগুলাপ পাম্বী দগী চোইজাইননা কেন্দুনা তারিবা লৈনাশিংদুবু চংশিন্দুনা নিংকুপ্তুনা য়ে লুরি। ঐগী ইতৌদুদা ইমানা উরমাল্লে ঐগী নাক্তা চংশিল্লক্লুনা হংলকই, "ইবুংঙো কৈদোরে, করি য়েংলিবনো?"

ঐনা ইমাবু মুন্না য়েংলদুনা হংখি, "ইমা, করিগীনো লৈনা-শিংসিনা লৈমাইথক্তা চোইজাইননা কেল্লিবা?"

"ইবুংঙো মাগীদি মতম লোইরে লৈমল চনদ্রেনা লৈমাইথক্তা চোইজাইননা কেল্লিবনি।"

"ইমা অহুগা ওরাং পোনহৌবা লৈরাংসিনা কেন্দহুনা করিগী শাংকাইরমলিবা?"

ঐগী পংলবা রাহুংশিংহুগী পাওথুম ইমানা পীরকখি—"মাগীদি মতম রাংলি, নওমু ওসিদি অঙাং ওইরি হয়েংবাইদি চাওরক-নিদনা।"

"অহুদি ইমা ঐখোয়মু হয়েং মতম লোইরগা কমাই তৌনি।"

"ঐখোয়মু হয়েং মতম লোইরগা লৈরাংনা লৈখোক দেই-হুনা কেনবগুম শিগদোরিবনে ইবুংঙো।"

"ইমা, নওমু শিখিদোইবা, অহুদি ঐদি কনাগা লৈহৌনি ইমা নও শিখিন্নকো।"

ঐগী ইতৌহুদা ইমাদো মুংঙাইত্রমাল্লে ঐবু কোনবিহুনা ইমানা হায়খি—"ইচাবুদি করিগী থাদোক্লুনা শিগদোরিবা, চংলো লাইরিক তৌরুরো ইমা চক থোংলুরগে।"

ইমামু ঐবু থাদোকলমহুনা চংখি। ইমানা চংখিবা ওাইহাক লৈরগনিববানা লাকখিবদো। ঐনাহ্ হরাওনা লাওখি—"ইমা, ববা লাকএ।" ঐনা ববাগী নাক্তা চংশিন্দুনা হংখি, "ববা ঐগী করি লৈরকই।" ববানা মোমোন নোক্লা ঐবু পমথংলহুনা হায়-খিবদো, "ইচাগীদি ববানা শারপোং ময়াম অমা লৈরকই।"

ঐনা ববাগী রাহৈহ্ তাবদ কয়দা হরাওজখিবা। ঐনা হন্না য়েংথোকলুবদদি ইমামু ববাবু মৈ ওকদবগী ওাইহুনা লৈরম্লে। ইমাগী মাইথোংহুদা মকা জামই অৱাবা য়াওদবগুম তৌই ববাবু য়েংলগা মোমোন নোকচখি। ইমানা ববাগী স্কুইট কেসতু পাইর-হুনা ঐখোয় ইমুংদা চংলক্লে। ঐখোয় পুন্না ফমম্বিররিঙৈ ঐনা

ববাবু য়েংশুনা হায়খি "ববা, নঙ অমুক চৎশ্রব্লুকে, ইমাসে নঙবু লৈত্রবদি য়াম্না কল্লি।"

"ইবুংঙো কপচেংগী হায়বন্তনি, নঙদি পরিক্ষা কয়াম বাৎলি।"

"ববা, কুইত্রে হৈলক লাকইবা তাং মঙাশিদনি।"

"অহুদি কুইত্রেদনা শুসিদি স্কুল কায়োইদ্রা।"

"চৎলরোইদা ববা পরিক্ষা ময়ানি হায়ন্থনা ওঝানা লাইরিক তাকপিদে"

মুমিংতু অহুম হোৎলে, মুমিং হুমনিগী অঙনবা অমুক্তুদনি। ইমা ববা ঐখোয় অহুম পুম্না চা থক্লি। ইমানা ঐগী কোক্তা তপ্না তপ্না নাম্ববিরন্থনা হংখিদো, "ইবুংঙো ইমা বা অমা হংগেসে, নঙ হয়েং চাওরগা করি ওইগনি।"

ইমাগী বাহংন্থগী পাওখুম ঐনা ভাইহাক খল্লগা খুমখি. "ইমা, ঐদি এরোপ্লেন থৌনি।"

"করিগী ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়ারদি ওইনিংদ্রা ?"

ঐ তশেংনা পামখি পাইলোট ওইবসি। উচেককুম্না অতিয়াদা কোইপাই পাইবন্থনি ঐনা পামখিবা। ঐনা অমুক ইমাগী বাহং-ন্থগী পাওখুম পিখি, "ওইনিংদে ডাক্তর ইঞ্জিনিয়ারদি ঐদি উচেক কুম্না অতিয়াদা কোইপাই পাইনিংই।

নিংশিংলকই মুমিংতুদা মোংম্না ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা ক ঢুদা পুম্না কম্মিমন্থনা চা থকলিঙৈদা ইমানা ঐঙোন্দা হংখিবদো— "ইবুংঙো, ইমাগা ববাগা কনানা হেন্না মুংশি।"

ঐনা ইমাগী বহংন্থগী পাওখুম পাক হেক পিখিদে ইমাদা অমুক য়েং ববাদা অমুক য়েং ভাইহাক লৈরুরগা ঐনা খুমখি— "ইমানমু হেন্দে ববানমু হেন্দে চপ মান্নৈ।"

ঐগী পাওখুমমঙ তাবদা ইমানা ঐবু হুরাওনা কোনখিখি। ইমা ববা অনিমক থবাই তান্না নোকচখি

মিংশিংলুরগা মুমিংতুদা ইমাদা অমুক য়েং ববাদা অমুক য়েং ঙাইহাক লৈখি। ইমাদি চাক থোংবা চংব্রে ববানা ঐবু লাইরিক তাকপিরি। পরিক্ষা মুমিংনিনা চাকসু পুরা চামিরব্রে, ঐ ইতোমতা চাক চারি চাকথুমাংদা। ইমাগা ববাগদি মপ নগী রেটিং রুমদা কম্না ৱারি শারি। ৱারিশিংতু ময়েক শেংনদি তাহৌব্রে অতুবু মরক মরক্তা ইমানা থবায় তানা নোকপগী খোঞ্জেলদি তাখি। ঐ তশেংনা থংখি নোংলৈ খোঞ্জেলতু তাবদা। মখিরক কাপখি-মালে। ঐ ঙাইহাক তুমিগা লৈখি। ইমা ববা অনিগী ৱারি শাবগী খোঞ্জেলশু তাখিব্রে। ঐনা তুমিনন্না থোংনাওদা চেপ-থতুনা ইমা ববা লৈরিব্রা য়েংলুই। উরকখি ইমা ববা অনিনা নোংমৈ শুলিগী চৈনাতু থাংবা ঙবদ্রুনা ৱানা ওননা থোইনা লৈমাযথক্তা থাঙলিবদো। অতুগা শাহিং চাবশিংতুনা ইমা ববা অনিগী অরাবদো য়েংতুনা থাক্লা থাক্লা নোকখিবদো। ঐ থম্মোয় কায়খি চোংথোক্লুনা লম্বা পানিংখি, অতুবু মতমতুদা ঐদি সুপ্নগী চহি তরানিথোইত ঙাইরিবা অঙাংনি, করম্না মথোয়গা লম্বা পাক্লনি। য়েক্লবগী মথুক্তগী মচাবু কননিংবা ইমা ববা অনিনা তনিক্লবা খোঞ্জেলদা ৱানা লাওরকখি, "ইংঙো নহাক চেনখ্রো শাহিং-চাবাশিংতুগী মথুক্তা তাদ্রিঙৈদা।"

ইমাগী নিংবা কাইরবা ৱাহৈশি দো ঐ ময়েক শেংনা তাখি। ঐহাক ইমাগী য়াথং কোথক্তা থোংতুনা মনিংথোঙ কাওত্না চেল-লকখি। কনাগুম্বা অমনা ঐবু তাগরকপগুম তৌখি। ঐ হুন্না য়েংলমদনা শাদানবগী লাংদগী নাম্মোরক্লবা শক্তি মচাগুম থবায় হিংনবা চেনলকখি।

অহল ওইররি হনুবি অমনা ঐবু য়োকপিরকখি কনা থংহন্দনা। ঐ য়াম্না নিংবা কায়খি ইমা ববাগী লমন থুমনিংখি। য়েক্লন-শিংগী মথক্তা অত্তবু করিশু উপায় লৈখিদে। চহি অনিগী মতুংদগী

সংস্কাররসিদ্‌, ঐগীনি হায়বা হন্না য়েংবদা কনা উখিব্রে, মমা মপা লৈজত্রবা পিতৎ পাত্তংপা লমজা সরা হায়বদো ঐ ওইহৌরে। ঐ হিংনবগী লম্বী থীবদা ইয়াম্বশিং মতুং ইন্দুনা হজিরা শুবা য়াওখি। নোংমত্তা চন্না অনিন্দুনা চাখিদে। ঐ ইতোমতা শেগাইরবা থাংপোকশংছদা কনাগী মীন্নুংশি ফংদনা হিংলকখি। অন্থবু নাইতোম হিংবা ঐগী পুন্সিদা মুংঙাইবা হায়বদো নোংমত্তা ফংখিদে। মতমত্ত ঐ চহি তরাতরুকলোম শুরমলগনি। ঈশ্বরগী নোংদম হায়গত্রা, ঐগী লাইবক্তা তন্নবনি হায়রসিরা ইচল মুপী অমা ফংজখি।

মাগী ৱারি মরক থৎনা ঐনা হংখি, "মরূপ করম্না ফংত্রিবা?"

মানা ঐগী ৱাহংগী পাওথুম ওই করি ওই ৱারি মখা তানা লিথরকখি।—

মুমিৎতু নিংশিংলি মুংথিলগী পুং মরি মখায় তাগ্রবনি। অমংবা নোংনা মালেমসে কুপশিনলক্লে। ইঙাগী নোংজু কপ চেৎপিন্থম্ম কনাবু তাকলমদনা ম'লেমলৈদা চুথরক্লে। মীয়াম পুম্বা হাটিন য়াওবনা ছাটিন খন্দোকনরক্লে, য়াওদবা কাংবুনা চোৎলোইদবা মফম য়েংছনা চেনশিন্নগ্রে। মী চিল্লবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী লম্বীশিংদো হৌজিক্তি থরা কোমলে, ঐম্মু থবক অমা চৎলুবদগী নোং অছুম নঙলে মী চিল্লবা হোত্তেলছদা ঐম্মু চংশিন্দুনা ঙাইহাক কমলুরি। ফমথবতা মঙাইরি, ঐগী মীৎকি মমাংদা মুপীমচা অদো উরকখি। মোৎলবা সহরগী গলিদা মুপীমচা অদো লেপলি, ইঙাগী নোংজুত্থবু নিংঙাইবা তৌদনা। মাইথোংছ অৱাবগী মমি তারি কোইদানবী মাইথোঙ কোইরাওনবী মীৎস্না, নোংনা চোৎলবা শমলাং কয়াদা নিংথীরিবা। মপাং কায়নরবী পোম্বীঙম কোইদানবী মাইথোংদো মালেম লৈদা লুকথ চিন্তাগী পোৎলুম পুরিনে।

ঐ মাগী মতৌদা অঙাওবিবা থম্নবনি। অদুবু ঐগী রীংকী মমাংদা অঙাওবীগী লিচৎতি উৎলম্রি। ঐ অঙাওমদনা হোটেলদগী মপান্দা থোকলকখি। থঙহৌদে করম্বা মতমদা য়ৌথিরমো? ঐ মাগী মনাক্তা লেপ্লুনা লৈরমখি। পম্বা তৌদনা ঐনা হংখি— "ইচল করিগীনো নঙবু ঙাওরব্রা? কুইনা চুমরক্লিনা ইঙাগী মোং-জুসিবু থওইত্রিবা? ময়াম লেপনরিবা হোটেলসিদা চংলকউরনা।"

ঐগী বাহৈশিংদু তাবদা মাগী পুক্কথরম্বা মাইথোংদু হায়গৎ-লম্লখি, ঐবু নিংঙমদনা য়েংলগা মিৎলুদনা পিরাং শিন্দুখি। ঐ মাবু উরুবদা নিংশিংলকখি মতম কুইনা কাইনখ্রবা ইমাবু। কয়াদা মাম্নরিবা শক্তম অনিদো। ঐহাক বাখলদা ঙাইহাক উংদুনা লৈখি। কয়াম কুইনা লেপলুরবা ঐ নিংশিংবা ওমদ্রে ইশান্দু নোংবা পুমচোং চোংকমলে। হন্না য়েংথোকসুবদদি চুপীমচা অদু লৈরমদ্রে। ঐহাক চুপীমচা অদুগীদমক্তা থম্মোয়নুংদা ঙব্রারা পো'ক্ল। "করিনিংবা থুংদবা লৈরবা? ঐগী বাহংবু তারগা করিগী মীৎতগী পীরাং শিন্দুরিবা?" ঐ ইতৌমমতা থম্মোয়নুংদা হংজখিবনি। ঐ নিংঙমদনা মাবু থিবা হৌরকখি। অদুবু মাম-লবা কৈথেলগী মী মলকুদা মহাক অদুম্মক থিবা ফংখিদ্রে। অদুবু মাগী নিংবা কায়রবা শত্তমদুদি থম্মোয়নুংদা অদুম্মক মমি তাহৌরে।

চুমিদাংগী পুং তরায়োম তারম্লগনি। মতম ফুদ্রবনা থেংজি-লক্লিদৈদা হায়দুনা, দুকাল, হোটেল অম্বাবা লোনশিংথ্রে। চীনু-লম্বা কৈথেলগী মীয়াম পুম্বা পুমক্তাক্তু তাকশিন্নরে। অংদা ঙাই-হাক চং অমদা ঙাইহাক কম তৌরিদৈদা থেংদোকপ্রে। চুমিৎতুদি নোংমু হাংবা কৌবা লৈখিদ্রে। নোংলকুদা তপ্পা, ঐ ঐগী লাইর থাঙপোকশংদ য়োনবা সহরগী লম্বীহদা লাকখি। ইংবনমু

হৃকচাংসে থক থক নিক্লে, য়ুম য়োনিংবনা খাংঙমলক্নে। তপ্পা থাং-লম্বা খোঙথাংহু অমুক থম্না কনখংলি। ঐ হবচাংসি ভুঙুংবা পোকাখ খাংলম্বা খোঙথাংহু খংলেপ লেপখি। তাদিবা খোঞ্জেলহু কদোমদগীনো য়েংলুরি। উৱকখি শরক্নী চৌদাইদ। লেপলিবা মুপীমচাদো। করি নিংবা থুংদবা লৈরবা করিগী থম্মোয় শোক্না তেংথারিবা। মাবু অকিবা পোক্নবা জাংলনে। চহি তরানিথোইরোম শুরম লৈগনি মুপী মচা অহু। ঐ তপ্পা তপ্পা মুপীমচা অংগী নাক্তা চংশিনলুরি।" ময়েক শেংনা ঙানম মৈঙান্দুদা ঐ তপ্পা মাগী শক্তমহুব লাকশিন্নবা হোৎনরুরি। মানি ঙসাই থেংনখিবা মুপী-মচা অহনি। ঐনা তপ্পা হংলুরি, "মুপীমচা নঙবু কনানোনে? ইমা ববাগী মিংনা করি কৌই। করি লমদগীনো? করিগীনো মফম সিদা নতোম্মতা কপলমলিবদি।"

ঐগী খোঞ্জেলহু তাবদা মুপীমচা অহু তপ্পা মমায় লৈথো-লকখি। অহুগা ঐবু নি ঙমদনা য়েংলকখি। অহুবু ৱাদি ঙাংখিদ্রে। ঐদি ময়োল থোক্নব্রা থম্নরবনি অংবু লোথোক্নবদি নত্তে। ঐনা অমুক হায়খি, "ইচল নহাক অহুম্মক লৈহৌরগদ্রা? "ঐগী ৱাহংগী পাওখুম হন্দক্তি পীরক্লে, "দদা ঐগীদি ইমা ববা লৈত্রে দদাগী য়ুমদা ঐবুম্ব লৈহনবীয়ু।" মাগী খোঞ্জেলহু তশেংনা খোই-থুমনৈ, তশেংনা মুংশি। ঐবু মাগী ৱাহৈশিংনা তশেংনা শুম-হৎখি ঐনা মাবু য়ুমদা পুরক্নুনা ইচলগুম্মা য়োকখি।

মরুপ অম্নুম্মা মাবু ঐগী ইচল ওইনা ফংজখি। মাবু ঐগী ইচল ওইনা ফংজবদা কয়াদা মুংঙাইখি, ইংলনম্ ঐবু মবুং অমগুম নিংখি। মতম অমদদি ঐগী লাইৱ থাংপোকশংহু ইচিক চিক-লম্বনি। অহুবু ঙসিদি ইচলগী মুংশিরবা খোঞ্জেলতনা নিল্লরে। মতমহু কয়াদা মুংঙাইনা পুন্সি লেনখিবা'

ঐ নুমিৎচুপ্পা থবক কপ্পা মুহনা ঐ অমদি ইচলবু হিংবা ঙমনবা হোৎনথি। মুমিৎচুপ্পা থবক বানা গুরুরবন্সু ইচলগী মোমোন নোকপা শক্তমহ হেক উবদা অৱাবা পুম্বা কোকখি। ইচলগী দদা হায়বা খোজেলহনা ঐবু থবায় হাপখি।

নুমিত্তু ঐ য়াহৌবদা মঙাইরি। ইচল মেমিদি ঙসাইনা হেৎপ্রবনি। ঐবু কৌর কৌরহনা হরাওনা ঐগী নাক্তা চংলক্‌খি। ঐনা হংখি, "কৈদৌরে মেমী।"

ইচলনা পাওখুম অমত্তা পীদনা ঐবু হৈপাল লৈপালনা গল্লবা লৈকোলহ তাপ্পা চীংহনা পুরকখিবদো। মুমিৎতুগী অয়ুক্তো কয়াদা ফজখিবা। ইচলনা মতম চংনা থাখিবা লৈরাংশিংহ কয়াদা নিংথিনা লৈশাৎ তমলমলিবা। ইচলনা লৈকোলগী লৈরাংশিংহ য়েংলহনা ঐঙোন্দা হায়খি, "দদা, লৈকোলগী লৈরাংশিংসে ফজেকো, ঙসিদি ঙম্না লৈশাৎ তমলমলে।" মালিকা, মালতি কুশুমলৈ; ফজেকো দদা।"

"উম ফজে।"

ইচলনা নিংথিবা লৈরাং অমা হেক্তুনা ঐগী খুত্তা পিখি। ঐনা লৈরাংদো ইচলগী নাম্নদা চীনবিখি, মহদা ইচলনা কয়াদ হরাওজখিবা।

নোংখোঙ ফুইনা বা বা চুরম্বা নোংহ লেপখিবগা অতিয়াসে তশেং তশেংলক্লে। ইচল মেমিদি ঙসাইদগী মমিৎ কুপ্পুনা য়েংলি-মালে অতিয়াদা থোক্লিবা ভুঙাল্লবা নোংজাবিহবু। ঐঙোন্দা হংলকখিবদো, "দদা আদগীসিবু নোংজাবি হায়বহ্রো?"

"উম মাল্লি নোংজাবিনি।"

"দদা, ঐদি অঙাংবা নোংজাবি মরকসিদা চেন্না চোংনা, শাম্নিংই দদা নঙদি শাল্লনি দ্রা?"

ইচলগী বাহংহুগী পাওখুম ঐনা ফাগী ওইনা খুমখি, "মেম্রি নঙবু শান্নিংব্রনে? ঐদি শান্নিংদে।"

"করিগী?" মেমিনা ঐবু য়েংহুনা হংখিবনি।

"থওদে করিগীনো, ঐদি শান্নিংদে।"

ঐগী পাওখুমচ তায়গা ইচলনা তপ্না হায়রকখি, "অহুদি দদা ঐন্দু শান্নররোই।"

ইচলগী চন্নবা বাহৈংদা কয়াদা পেঙখিবা। ইচলগী চন্নবা থম্মোয়বু ঐনা কয়াদা হুংশিখিবা।

\+ + + + + + + + + +

ঐনা থল্লকপা কুইরবনি ইচলগীদমক্তা মমল য়াম্নবন্নু য়াম-দ্রবন্নু ইচলনা পামজবা অতিয়া মচুগী ফুরিৎ ফি অঙুমক্তং লৈবীগে হায়না। ওসিদি তান চারিঙৈদা হায়ংনা ইচলগী ফুরিৎ ফিহু লৈরগা ঐ খুমদা হল্লকখি। খুমিদাংবাইরমগী নামিবা মু শিৎনু লিরি-লিরি শিৎলক্তুনা ঐগী হকচাংদা য়ৈররি। ঐগী মল্লবা খাও পোকশংহুগী মমাঙদা লেপ্তুনা ঐনা কৌখি, "ইবুংগী ইবেম্মা মেমী .... মেমী।" অনিরক অহুমলক কৌরবফাও খুমলক্তে। কদায়দা চংগ্রবজাংনো ঐনা থনখি। ঐ কোইলৈ লৈতনা ইচলবু কদায়দা লৈবগে থিবা হৌরকখি। ইচলবু তাম্না লৈকোন্দা উরকখি। ঐ ইচলগী নাক্তা তপ্না লাকখি। করি বাখলনা উংলুরবনো। খওদ্রে ঐনা অনিরক অহুমলক কৌবা কাওবদা খুমলক্তে। ঐদি ওসাই মথৈ উরমদে কপালিমালে। ঐ তপ্না চংশিন্দুনা ইচলগী মিৎলুদগী তারক্লিবা পিরাংশিংহু তৈথোকপিরহুনা হংখি, "কৈদৌরে মেমী, নশা ওমত্রবা? করিগী কপ্লিবনো?" ইচলনা ঐগী বাহংগী পাও খুমাইদনা ঐবু য়েংহুনা হায়খি, "দদা করিন্দু তৌদেদা।" ইচলনা ওাইহাক তুমিননা লৈরুরগা ঐবু য়েংলগা মোমোন নোক্তুনা

হায়খিবদো, "দদা, দদানা ঙসাই ঐগীদমক্কা লৈরকনি হায়র-ম্বদাই অতিয়া মচুগী ফুরিং ফি দদা, য়েংলগে কদাইনো ?"

ইচলগী অধাবদো করিনো হায়বা ঐগী ইকমদা অদুম্ব কোংদো-কখিত্রে। ঐনা ইচলদা অতিয়া মচুগী ফুরিং ফিদু শিননখি। মুমিং ভুদা ইচলনা কয়াদা মবুং ঐবু থাগৎখিবা।

ঐগী ইচল মেমীনা হৈনবীদি, অচিকপদা ভুমিন্না ফমদুনা চীক্লা ব্রাখল খনবসি। মমাগবী অত্তেগুম ইচল মেমীদি কেসন্দা রোমান্সতা লুপখিদে। মুমিং চুপ্পা চীক্লা ব্রাখল খনবমথে খল্লুরগা মুংতিগী ঐগী নাক্তা চংলকলগা মাগী অপাম্বা অনিংবদো কোং-দোকখি। নোমা ইচল মেমীনা ঐগী নাক্তা ফয়ম্বুনা হায়খি, "দদা, মীওইবা কনাম্বু অমর নত্তেকো।"

ঐনা হায়খি—"নত্তে কনাম্বু আমর নত্তে, মাগী মাগী মতমনা লে ইরগা চংখিগদবা ভাক্তি।"

"অদুবু দদা মীওইবা তাইবং ঐখোয়না অমগা অমগা অম্বুক মুংশিনদ্রিবা ? অমনা অমবু মাঙনবা হোৎনরিবা ?"

"অসিবুনে মেমী ময়াগী সংসার হায়রিবসে।"

অমুকম্বু মানা হংখি "দদা নঙগু লোংমদি মতম লোইদ্দনা চংখিনিকো।"

"ইদোম লাকপনি ইদোম হনবা তাই কনাবুম্বু লোয়নখিরে।ই কবিবুম্ব পুখিরোইনে মেমী।"

মরক মরক্তম্বু ইচলনা থম্মোয় শেংক্লা হায়খি—"দদা নহাক ঐবু থাদোক্তুনা মফম কৈদম্বু চংখিম্বুকো।"

ঐনা ইচলগী কোক্তা তপ্পা তপ্পা নাম্বখিরদুনা খুমখি, অঙাওবী মবুংনবু মচল থাদোক্তুনা মফম কৈদা চংকদগেনে।"

ভাক্তর অম্বুম্মা ইচলগা ঐগগী পুন্সিম্ব লোয়কখি, ঐগী ইচলম্বু অদু মঙাই ঐগুম্মা অদুম্মক মইংদা মীকোক থোংকনতা লাকখি।

লেপ্নাইদবা ইচেলগুম মতমদি অম্লম্মক চেম্বম্নি লেপ্পা লৈতনা মীৎকুপ অমত্তা ঙাইরম্মু য়াদনা। কনাবুম্ন হল্লা য়েংলমদে কনাবুম্ন মীকুপ অমত্তা ঙাইরমদে। কনাগী অম্নাবগী মীকপ খেজেলম্মু তারমদে কনাগী হুংঙাইবা পুন্সিংম্মু মীকুপ অমত্তা য়েংলমদে।

ইচলদো চাওবা মপুং ফারে হায়না ঐনা কয়াদা হরাওজখিবা। মুপী ওইবীশিংগী শিনফমদ্বু ঙু নোমংনা মবুং ঐগী ইতেং কয়া পাংখিবা। মেত্রিকী পরিক্ষা লোইখিংনা পরিক্ষা হায়দোরকখি। ঐগী ইচল মেমীত্থু পরিক্ষা ঙমলে। ইচলনা পরিক্ষা ঙমবদা ঐনা কয়াদা হরাওজখিবা। ঐগী নাক্তা চেনশিল্লক্লুন হরাওনা হায় খিবদো "দদা পরিক্ষা ঙম্নবনিনা ঐশু কলেজ কারনিকো।"

ঐস্থু হরাওনা খুমখি "হোয়নে, হোয়নে কারনি, ইচলনা কলেজদা সাইকল অঙাংবা মচা অমা তোংদুনা কেথ কেথ চৎপংনি ইবুংনা য়েংনিংলিবা।"

ঐনা কয়াদা য়েংজনিংবা ইচলনা কলেজ কাবদো। অদুবু উবা ফংখিদে। ইচলগী ফি রোল সাইকল মচা খুদাং ঘড়ী মীং চম্নবা পৈশা হাননদগী তুংশিনলক্লবনি। মীগা মীমাম্ননবা অমুক্কা শেল তানগে খনখিবনি অদুবু অবেস্থা তাখি। ঐহাক অকনবা লৈশা অমা কম্না নাবা হৌরকখি। ঐহাক হৌগৎ কাংখৎপা ফাওবা ঙমখিদে। ঐনা ইচলগীদমক্তা ব্রানা তুংশিল্লবা শেলশিংদো ঐগী লাইয়েংবদা ঙম্না চংখি। ইচলনা অহিং মিৎশেল খাঙত্থনা ঐবু লাইকম্নখি। ইচলগী মীং চম্নবগী মতমদি হেক্কিনলক্লে ঐদি হৌগৎ-কাংখৎপা ফাওবা ঙমদরি। শেল তানগদবা ঐনা কমুংদা য়াতাত্থনা লৈশ্রবদা কদাইদগী শেল লাক্কুনা ইচলগী মিং চনবা ঙমগনি। ডাক্তর অসিনি লাইয়বগী পুন্সি, নোংমতা শেৎপা চাবদা মনিং থুংজম্রবী ইচলনি। শেৎপা চাবদা মনিং থুংহনবা ঙম্রবস্থু ইচলনা

পামজবা মহৈবুদি পেন্না তমহনগে থনখিবনি। অদুবু ইচলগী মনিং থংহনবা ঙমখিদ্রে।

নুমিৎ খুদিং মোমোন নোকচবা ইচলগী মায়থোংনি। অদুবু নুমিত্তুদি ইচলগী মায়থোংদা অৱাবগী মমি তাখি। নিংঙমদনা মিৎনুদগী পিরাং শিন্নরকপদো এ য়েংবা ঙমখিদে। ঐ তপ্পা চংশিন্দুনা ইচলগী নিংথিরবা মায়থোংবু কুপশিল্লক্লিবা চোইজাইননা তারক্লিবা শন্নাংশিংদু তপ্পা খোমগৎপিরদুনা ঐনা হায়খি, "মেমী নঙ ইবুংবু ৱাবোবিবা? নুনিং খুদিং ইবুবু উবদা মোমোন নোক্লা দদা হায়না কৌবদাইনে। কবিগী কৌদ্রে ঙসিদি। ঐন্দু খঙদি ইচলগী অৱাবা, নঙনা ৱাবদগী ইবুংনা শকক চাম্মা হেল্লিলিবনিদে। অদুবু ইচলগী মোমোন নোকপা শক্লমবু য়েংঙনা অৱাবসে কাওবা ঙমলিবনি নঙনা অংন্না তৌববদি ইবুংদি করম খাংগনি। অমুক্কদি মোমোন নোকনা দদা হায়না কৌরকউগবা।"

ঐগী ৱাহৈশিংদু তাবদা ইচলগী মীৎনুদগী তারক্লিবা পীবাংশিংদো তপ্পা তৈথেকখি। অবা মায়থোং লাংলম্বা শক্লমশিংদু লেৎশিন্দুনা মোমোন নোক্লা কৌখি, "দদা"

কুম কুম খুদিংগী থোকপা অনৌ অনৌবা হরাও কুম্মে কয়ানা ইচল মেমী অমদি ঐবু তত্তনা অৱাবা পিখি। নোংমত্তা ইচলগীদমক্তা অনৌবা চহিগী অনৌবা ফিজোলশিং মতিকচনা থোনবা ঙমখিদে। অদুবু নোংমত্তা ইচলনা মবুং ঐঙোন্দা ৱারোবা লৈখিদে। মীগা মীমান্নদবনা হরাও কুম্মেবু তুংওইননা থমখি। মতম অৱাম্বা অচিকপদা ৱাখল তৌদুনা মতম লেনখি। ঐগী ইচল মেমিসে মশাগী পীথোরকপা হায়গদ্রা তম্বীরুবা তাকপিরুবা য়াওদনা য়াম্না নিংথিনা ঈশৈ শকই য়াম্না চঙথোম্না লাই য়েকই। মানা অঙং ওইরিঙৈদা শকথিবা ঈশৈ য়েকখিবা লাইশিংদি নুংঙাইরবা মংলাম্বা

তাওহনা য়েকখিবা শকখিবা ওাক্লি। অহবু ঙসিদি ইচল মেম্নীগী থম্মোয়সে অৱাবনা থল্লমালে, মাগী অয়েকপা লাইশিং মানা শকলকপা ঈশৈশিং য়েংলুবদা তাকবদা ঐ মিংলুদগী পীৱাং শিহ্বখি।

ইচল মেমীনা নাহনা লৈরকলিবসে ঙসি নিনি হুমনি ওরমালে। মুমিত্তু লমতাগী পুর্ণিমা মুমিংনি। মুম্নিদাংগী পুং মাপল (৯) লোম তাগ্রবনি। ঐ ইচলগী নাক্তা তুমিন্না কমঙনা শেগাইরবা খাংপোকশং মনুংদা ফাওজিল্লক্লিবা থ:জগী মঙালহৱু পুক্লিং চংনা য়েংলুরি।

নিংশিংলকই মুমিত্তুদা অকাওবগী লৈচিলনা মরোল নাইনা কুপগ্রবা মা ঐগী ৱারিশিংদো। ইতোমমত্তা খল্লকই মাম্নু ঐগুম ঙসিগী পুর্ণিমা থাজসি উরুরগা ৱারিশিংদো নিংশিংলমগদ্রা?

"মদা ফজদ্রা ঙসিগী অহিংসে অসিগুম্বা অহিং নঙ পুন্সিদা উগ্রব্রা?" ঐনা লৈচিল্লক্তা কোইচেন চেন্দুনা শান্নরিবা পুর্ণিমা থাজবু য়েংনা য়েংনা নিরমলাদা হংখিবনি। মহাক্না মুমিত্তুদা হায়খিবদো. "ঙসিগী অহিংসে কয়াদা ফজবিবা কয়াদা থম্মোয়সে মুংওল্লিবা, অমুক্তম্ম উখিদ্রি অমুক হন্না লাক্নান হায়বম্ম থাজদ্রে।"

"চুম্ম অমুক্তম্ম উখিদ্রি অমুক হন্নম্ম লাক্লরোই।"

"করিগীনো খঙদে ঐনা ৱাহৈশিংসি হায়গ্রবা মতুংদা ইবানিমক ঙাইহাক্তি তুমিন লৈনখি। অ:দগী অমুক মানা মখা তারকখি, "পুর্ণিমা থাজসে ইংনা ফজেকো?"

"ফজে, ইংনা ফজে, অহবু পামজরুবা মীতাজরুবদি লৈতে। "ঐনা মাগী তইংলবা মায়থোংদু য়েংহনা হায়খিবনি।

"কবিগীনো. অম্নুক নিংথিবা পুর্ণিমা থাজবু পামদ্রিবা? ঐদি পানজৈ পুর্ণিমা থাজবু, ওইহনানিংঙি অহিং থুদিং পুর্ণিমাগী তহিং। কম্মিননিংঙি মফমসিদা নঙ ঐ মুনিংচুপ্পা শান্ননি ঙি লোইন্নাইদ্রবা

পুম্সিগী রারি কয়া। চৎনিংঙি থাগী লৈবাক্তুদা নঙ ঐ খুংশমননা শান্নিংই কোইচেল চেন্দুনা কোইচোং চোংহুনা। লৈ৺ংঙি ঐদি অঙৌবা লৈচিল মপৈ মরকসিদা।"

"ঐবু শৈরেংলা?" ঐনা ফাগী তৌহুনা হায়খিংনি।

"চোং, নত্তে মীনা হায়রগা ফাগী হেক্তা তৌরকদবনি।"

"ফাগী নত্তে, ঐদি শৈরেং মাললুরবা। অংবু মালা নঙনা পামজবা পুর্ণিমাগী অহিংসিনা ওইরনি নোংমদি নঙ ঐগী য়েরুবা।"

নঙন্থ নিংশিংলমগদ্রা ঙসিগী পুর্ণিমা থাজসি উরগা ঐগুম রারিশিংসে।

মেমীগী দদা হায়বা খোঙেন্দুনা ঙাইহাক মংলান্দা তাওরম্বা ঐবু মংফাওনহনখি। ঐনা হংখি ইচল মেমীদা, "মেমী কৈদৌরে, কোক চীকপরা?"

"চীক্তে কৈন্নু, মীনা ঙসাইদগী কৌবদি থুমন্নু থুমদনা।"

"অদো, হৌজিক্তি থুমমেদনা করি হায়গে হায়বনো?"

ইচল মেমীনা ঐবু মুন্না য়েংলগা মোমোন নোক্লগা হায়রকখিবদো, "অদো দদা নঙ শাওরকন্নুকো।"

"শাওরোইনে, করি হায়গে হায়রিবনো?"

"অদো হায়রগেবা, আই ননমদো ঙসাই লাকঅম্মী।"

ঐ পুমঙক ঙকখি, "কনানো ইনম্মা হায়বদি? কৈদৌবা লাকঅম্মিনো?"

"দদাসিমা ভাব তাগনখিদ্রে ইচে মলাহ্ন ঐগীদি ইনম্মা থোক্ত্রে?"

ঐ ভাব তারক্লে। ঐনা শাওশিন্নহুনা হায়খি, "কনানা হায়রিবা নিরমলাবু নঙগী ননম্মা থোকএ হায়বদি, মী লৈশাবী-হুদবো?"

"হ ই .ঙসাই শাওরোই হায়রগা শাওরকএ তু ইচে.মল না হায়রিবা ইচে কৌনু ইনম্মা বৌ হ য়না।"

"কৌনে কৌনে ইবুং শাওদেনে, মাদি কৈদৌবা লাকইনেগে করি করি হায়রম্মী।"

"য়াম্না হায়রম্মী, অদো হায়দোকওই, অদো ইচে মলাদো। মশক য়াম্না ফজেকো দনা। অদো ঐদি য়াম্না নুংশিবো, দদা নঙদি নুংশিব্রা?"

"উম নুংশি, অদা মানবু করি হায়বগে?"

"অচৎরো মানা হায়রম্মীবা মাদি ঐগোয়গী যুমসিদা যাম্না লৈনি ই। খরা লৈবগা লাকঅনি হাযবম্মে।"

"মেমী হায়রমরনে? করিম্ম থাক্ক।"

"হোয় হায়বম্মী, অদো লৈহনসিবো দদা।"

"সে, মানা হায়জিবিনি, মীদি হাযকনু নঙবু লৈনি ব্রনে"

"ইস, মা। খদো। মীনা অক শেনা হায়বম্মসিদে মানা লৈহনসিংদদনা, ইচে মলাদা লোইনা হায়দোকে।"

ঐ করিম্ম থুমলদ্রে তুমিনা অদুম্মক লৈবে। ফনা য়াম্না থেঙলম লগনি অদুবু তুমনিংবদি পোক্তি অদুবু ইচল মেমীদি তুমনিল গাল্লে। ঐনা তপা হায়খি, "মেমী তুমথবো অহিংসে থেঙলম লগনি ইবুংসু তুমনুবগে।

ঐ ইচল মেমীবু থাদোকনমতনা ঐগী ফম্মুদা চংলক্ল। অদুবু তুমথবদি য়াদ্রে। ইচল মেমীদি তুমগ্রগাল্লে মরা মথোল অমত্তা তাখিদ্রে। ঐ তুমনবা ফনা য়াম্না কনা থেংনবনি অদু তুমথবদি য়াদ্রে। থম্মোয়দুংসিনা ফাকৎলকে ঐ অনদি নিংমলগী পুক্নিংগী রাবি মহৌক খবদো। ঐগা নিংমলগা থৌনখিবসে

মখোয়দা থবক নোম্বা চৎপদা ওইরমালে। ঐদি মাগী মিংসু খঙদে মানা হাংগা কৌবা হৌরকপনি।

"সূরজ, শান্নরুরসি লাকও"

নোকখি নোকখি মখোয়গী দলান মথক্তগী কৌরকখিবদো। ঐনা হংখি, "বরি শাননদোইনো?"

"কেকুলোংপি।"

ঐ শা বদি শাননিনি ভি মীসত্রিনা চৈরঙ্কত্রা কীবদগী মাবু য়েংলগা খোঙসি থাবা ঙমদনা ঐনা লেপ্লম্বা মফমদা অতুম্মক লেপতুনা লৈখিবদো। চাং ভানিথোইতা ভাইবিবা ঐন াকরি থবকপু তৌগ দৌবিবা ঐগা থবক তৌমিন্নবিবা ইয়াম্পশিংহু ঐগী শান্নিংবা ইংেতু উবদা ঐবু থাদোক্লিবক্লে। ঐদি মা লৈত্রবোই নিংথি অতুবু মাদ দলাল মথক্তা অতুম্মক লেপ্তুনা ঐবু মামং কুপ্তা। মথৈ যেংনা লৈমলি।

ঐ কবিস্মু হঙ্গোইদনা মখোয়গী দলান্দুদা কাখত্তুনা কেকু লোংপি শান্নখিবদো। ইবান্নি থোইদোক্না কোইনখিদে ঙাংনিংবা ঙ্গাদো অতুম্মক ঙাংনৈ হায়নিংবদো অতুম্মক হায়দোক্লে। তুম্মিং খুদিং শান্নৈ ঐখোয় অনি। নোংমা ঐখোয় অনি কেকুলোংপি শান্নবদনি। ফজববা লিক্লিগী জান্নদো ঐনা চেনবদা থেংগান্নইনো কাইখিবনি। অনাযবা লিক্লি মচেৎতুনা ঐগী খোঙস্তু য়াম্না শাথিনা শোকখি। ঐনা কয়াদা পখংখিবা লিক্লিগী জাব অদো কাইখিবদা মতুগী অন্নাবনো ঐগী খোঙগী অনাবদো চৈনা ফাওখিদে। মাস্তু তশানা পাখংখি। অদবু মানা পাখংখিবদি লিক্লিগী জাব অতু কাইখিনগী মাতু, ঐগী শোক্লিবা খোঙ্গী দমন্ত্রা। অশোকপা খোঙগী চেকবকপা অং পাক খকউ য়ানিদে।

মানা পাখংনা হায়খিবদো, "ইস বনই চেৌন সিচি তশি খকউ য়াত্রে। তস [illegible] ।"

"নাদেদা।"

ঐনা খুমখিবনি। তজ্ঞাঙমক্তদা পাবুংন্স ঐখোয়না লৈরিবা কাহুদা চংলকখি। পাবুংনা ঐগী অশোকপদো য়েংলগা হায়খিবদো, "ইস. কৈদৌরে অহুদি 'ঈ য়াম্না খোঙ্গমালে ঐ ত্রিনচর লৌরুগে লৈরম্মু।" পাবুংহু অহুম চংখ্রে কাইরিবা লিক্লি জারংহুগী মরমদা করিন্সু হায়রকখিদে। খঙদে পাবুংসে মীনুংশি চাওবা হ.য়গদ্রা ঐবুন্স অপোকপা মচাদোনা লুনা তৌবিখি।

ঐ অঙাং ওইরিঙৈদগী লাইয়েকপা য়াম্না পামখি। কন্নানস্ত তাকপিখিদে তম্বিখিদে অহবু ঐ য়াম্না নিংথিনা লাই য়েকখি। নিংথিনন্স ঈশৈ শকখি।

ঐগী অয়েকপা লাইশিং অমদি ঐগী ঈশৈগী সুরদনি ঐগী মলানা ঙাওজখিবা। মলান্স য়াম্না পীক্ল। মমা কাইনখি, মমা মশক খঙহৌদে হায়। কোটোন্স অমত্তা নমহৌদমালে অমত্তা থেংতে। পাবুংনা হায়বদগী তাবদি মলাগা মশক চপ মান্নৈ হায়না তাখি।

নোংমা মলা ইবান্নি মখোয়গী ড্রোইং ক্লমদা পুল্লপ কমমিনরখি। ঐনা লাই য়েক্লবগী পেন্সিল পায়থংলকপমক্তদনি। মানা হংখিবদো, "করি তৌদোইনো পেন্সিলদো?"

"লাই য়েক্কে তৌবনি" ঐনা খুমখি।

লাই য়েকপা হৈব্রো ?"

হৈতেদা স্নুম হৈব্রা য়েংগে তৌবনি।"

"য়েকও, ফজব্রা য়েংগে করি য়েকতোইনো।"

ঐ মাগী বাহুংহু খুমদনা ছুমিননা মাবু য়েংহুনা লৈখি। মানা হংখিবদো ঐগী ইতৌহুদা, "কৈদৌরগে ঐবু অহুক মুননা য়েংলিবহুবো।"

করিগু তৌদে কনাগুম্বী অমগী শক্তম য়েক্লবা নঙবু য়েংলিবনি। পাবুংনা হায়বদা তাথি, নঙগী শক্তমগা লৈথিত্রবী ইমাগুগা য়াম্না মানবৈ হায়বসি।'

"ইমাগী শক্তম হেক্কদৌরিবা?'

ঐ মাগী রাহংগুগী পাওথুম পীক্লদ্রে। ঐ মাগী শক্তমবু পুক্লিংদা শাগৎতুনা য়েকপা হৌরে। অনৌবা মচু কম্না শিংবা লোইরবা মতুংদদি পাবুংনা ঐখোয়গী নাক্তা চংলকথিবদো। পাবুংম্বু অশেকপা লাইত্ত হেংথি। অত্তগা হায়থি, "শক্তম অসিমক্কি হেল্লিবা হায়ববু চিম্বাল মথাগী শমক্রু অসিতনি।" ইমাত্তদি চিম্বাল ময়াদা শমক্রু থুংখিদমাক্লে অদুবু মলাগীদি চিম্বাল ময়াদা নিংথিরবা শমক্রু অমদি থুংখি। মুমিত্তুদা পাবুংনা ঐবু কয়াদা থাগৎখিবা। মতমগু ঐ চহি তবাতবেৎলোম শুরয়গনি। লাইশিংগু য়েক্লম্নবা মতুংদগীদি ঐ পাবুংখোইদা অমুক চৎলুত্রে কুইরে মলাগা উনরক্তবনু। পাবুংদি মরক মবক্তা অত্তম্মক থেংনখি। হায়রকথি থেংনবা খুদিং, "মরক মরক্তা কোইথোরকউনে ইংঙো।" ঐ হোয় হায়নদি অত্তম্মক খুমখি অদুবু নোংমক্তা ফাওবা চৎলুবা ঙমদ্রে। করিবু খল্লমগবা পাবুংনা।

রাখল ময়ামসিনা ফন কুইনা তুম্বা য়াখিদে। নোংঙান-লমদাইদা ঙাইহাক্তংদি তুমখি। মতম কুইরবনি মাগা ঐগা উন্নরক্তবসে। ইচল মেমীনদি ঐঙোম্বা তত্তনা হায়থি, "ই চ মলানা অমুক্তা উ-সি হায়ম্বনি।' অদুবু ঐহাক মাগা উন্নবা পামখিদবনা ঐনা থৌওইখিদবনি।

নোংমা মুমিদংরাইরমনি, মুমিত্তুগী মুমিদাংরাইরমদো কয়াদা ফজখিবা। ঙম্রাগবা নোংজাবিসু নোংচুপ চীংয়াদা। অমংবা নোংগী মপৈনা তৌরুনবা অতিয়াদা অঙৌবা উরোকী শঙ্গুনা পরেং পরেং

পাইরিবা হংল মালংদা। ঐহাক পুন্নমকসি য়েংংনা নি ঙাইদনা ঐখোয়গী থাংপোকশংগী মনাক্তা হৌরিবা হৈনৌপাগী মখোঙদুদা ফমলিঙৈ মানা ঐগী মিং খুমজিনলকখিবদো। ঐনা হায়খি, ঐগী মিংপু খুমজিল্লকলিবা খুংতু পায়রগনা, "মলা থাদোকউ ঙাও শিন্নসুসে।" ঐনা নিংলম্বা অতম্মক চুমলমে মলা অতম্মক ওই রমলে। ঐনা খঙখিবসে মাগী খুদোপতুদা খঙখিবনি। মানা ঐগী নাক্তা তপ্পা ফমথগনা হায়বকখি, "অচিকপদা নদোম ফমগনা কনাগী রাখল খল্লমলিবনো ?"

"হেক লাকপগা কোচি কোত্তুনা ঙাংবা হৌবক্রা ? রাখল খল্লম্বা নত্তে ঙসিগী নুমিদা রাইবমগী ফজবসে যে লমলিবনি। ফজত্রা ঙসিগী নুমিদাংবাইবমসে।"

মলানা নুমিত্তুদা হায়খি "খঙদে ফজৈবা ফজদ্রিগা ঐদি কনিমত্তা য়েংনিংদে। নঙতবু য়েংহনা লৈনিঙি।"

"ঐত য়েংলিবা, অদি নঙদি ফজনা ঙাওবেদ।।'

"ঙাওজসন্থু নঙ লাংগীনি ঙাওববস্থু।"

মাসু রাহৈশিংশিগা মে মোন নোক্লমলগা অম্মক তুমিন্না লৈগ্রে। ঐসু ঙাইহাক্তি রা ঙাংলুদ্রে। অদগী ঐনা তপ্না হংখি "মলা সুংঙাইরিব্রা ? সুংঙাইরমগনি খল্লি ইনাক থুম্বা মচানিনা।'

ঐগী রাহৈহুদ মাদি তশেংনা শাওনিংলুবমাল্লে। থংলাও লাওবকই "খঙদে অমত্তা, করিগীনো নঙনা ঐখোয়গী য়ুমদা সুংলাক লাক্তিব্রসে। নঙনা খোয়দা লাক্তিব্রসে ঐবু শাওবা পোইদনা ওইরমগনি ঐবু করি লানগ্রবগে নঙোন্দা নঙসে নবুক য়াম্না ফত্তে, থম্মোয়দো সুঙগুম কল্লমগনি।'

"এহ ঐগী থম্মোয়না সুঙগুম কল্লবদি নঙগীদি তেরা মফেংল-দৌনা থেংলমগনি।"

ফাগীকা তে বিরকমু অমত্তা।"

"মলা ফাগী তৌররোই বা অমা হায়গে।"

ঐ ঙাইহাক তুমিন্না লৈখি মলাবু মুন্না য়েংহনা ঐনা হায়খি, "মলা ঐ খঙ্‌ঙি নঙনা ঐবু থম্মোয় শেংনা মুংশি হায়বসি। ঐসু নঙবু তশেংনা মুংশি অহবু মলা ঐদি লাইরা মচানি ঐগী ফিভম নঙনা খঙলিবহ মঙাই ঐগী ইমা লৈতে ইপা লৈতে। ঐগীনি হায়বা সংসারসিদা লৈরিবসে ইচল মেমীতনি। নঙগা ঐগা মরি লৈনবসে য়াম্না লাল্লে। মলা ঙসিদগী নঙ নৈ কাইনরসি। ঐদি পীরে নঙোন্দা কাইনা বীদায়. পীরম্লো নঙনসু ঐবু কাইনা বীদায়।"

ঐগী ৱাহৈশি না মলাগী থম্মোয়দো কাইহনখ্রমাল্লে। মিৎলু অনিগী চেম্বরকপা নিংঙমদবগী পীরাংহনা মাগী মাইথোংদো পুনচোং চোংলম্লে। নিঙমদনা ঐবু য়েংহনা হায়রকখিবদো "মলাই শুরজ ঐদি নঙবু কৈদৌঙুংদা কাইনা বীদায় পীবা।"

"মলা নঙগী অঙাং ওইরিবৈগী নঙনা লেপখিবা খোঙকমদগী হন্দোকউ য়াদবদো তৌরক্লগনু। মলা নঙ+ঐ ঙসিদি য়াম্না লাপ্নরে। নঙসু ঐবু কাওনবা হেৎনরো ঐসু নঙবু কাওগ্রগে।"

"শুরজ মহু ওই থাক্লোই. নঙনা ঐবু কাওখিবা য়াই অ:বু ঐনদি নঙবু কৈদৌঙুংদা কাওবা ঙমলোই। কাইনখিবা য়াই নঙ+ঐ অদ্‌বু লৈহৌখিগনি মুংশিবদি থম্মোয়মুংসিদা নঙ+ঐতগী ওইনা।"

"মলা ঐ পুন্নমক খঙঙি ঐসু নঙবু কাওথোকপা তরাই তরাইবদি নত্তে। পুন্সিসিমা নিংবা কাইনা মিৎলুদগী পীরাং কংদনা লেল্লগদবনি। অহবু ঐদি লায়র মচানি অহগা নঙনা ইনাকখুনবা ইমুংগী মচানি। ইমা লৈত্রবা পাবুংগী পুন্সি কথাদা নিংবা কাইরম-গনি। পাবুংগী অশাদি নঙতনি, পীরা মমা কাইনখি, নোংমতা

মমাগী মশক উজবা ফংজদ্রবীনি থন নঙবু শে ইদনা থাজনিং-লমগনি ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুং অমদা।"

"সুরজ ঐ তাবা ঙমদ্রে কেমথিসমু পুন্সিসে লাইরবগী অরা চৈথেংলক্তা, পামজদে ইনাক খুনবগী অরং অরাক। থরায়সে থাদোকখিবা ঙমগনি নঙগীদমক্তা, ঙমলোই নঙবু থাদোকপদি। সুরজ নঙগী থম্মোয়হুবু মুঙঙম কল্লব্রা? করিগীনো নঙনা শোল্লবা মুপী ওইবীগী থম্মোয়বু মচেৎ তানা থুগাইনবা হোংনরিবা। পাঙ্গল শোনবীনি খঙনা খঙনা করিগী অমুক অরা ঈপাক্তা ল থবিবি।"

নিরমলাদো ঐবু কোন্দুনা হিক্না হিক্না কপলক্লে। ঐসু মাগী মতৌহু য়েংবা ঙমলক্ত্রে। থম্মোয় কনবা শারুবনি থম্মোয়সে মচেৎ তানা কাইখ্রে। ঐ মাগী মাইথোংবু চীন য়েংলগা তপ্না হায়খি, "মলা ঐ নঙগী নফমদা মাইথিরে। থাদোক্লোই ঐ নঙবু কৈদৌনুংদা। নঙদি ঐগী থরায়গী থরাযনি।"

ঐগী বাহৈশিংসি তারগা অরা মাইথোং লাংলম্বা মল দো মোমোন নোকলক্লে। ঙাইহাক্তি ইবানিমক মীৎকুপ্তনা য়েংলখি। মানা তপ্না হায়খিবদো, "সুরজ ঐবু কৈদৌনুংদা থাদোকপিগনু।" ঐসু থুমথি, "মলা নঙবু কৈদৌনুংদা থাদোক্লরোই।"

মুমিৎসু তাথিগদৌরে ঐনা তপ্না হায়খি, ঙাইহাক ভুমিন্না লৈনরুরবা মতুংদা, "মলা চৎলো মুমিৎসে ময়ুম চংখিগদৌরে। পাবুংনা নঙবু শোইদনা থীরম্লগনি।"

ঐগী বাহৈশিংহুগী ভুংইন্না মপামু তপ্না হৌগৎলকখি। ঐগী মাইথোংবু চীংনা য়েংলগা হ য়রকই, "চৎলগে।" বাহৈশিংসিগা মোমোন নোকলকই। ঐসু অমুক্তং নোকখি। মখোঙ অনিহু থাংনিংদা থাংনিংদা থাংহুনা চৎখ্রি। ঐদি অহুম্মক ফমহুনা ম না চৎখিবা মাইকৈদা চীংনা য়েংহুনা লৈহৌই।

"ইচে মলা নহাক্ন মদাগা কৈদৌনরে, মালুনা করি হায়রবগে নঙনা মিংলুদগী পিরাং শিহরিববো ?" ইচল মেমীনা হংখিবনি পীরাংতনা চোংলবা মলাগী মাইথোংহুবু য়েংহুনা।

"মেমী অবাবগী পীরাং নত্তে মুংঙাইবগী পিরাংনি।" মলানা মিংলুদগী পিরাংশিংদো তৈথোক্লগা খুমখিবনি।

"ইচে, কয়াম বাংলিবগে ইচে মলাগী মহুত্তা ইনম্মা মলা কৌগদবা।"

"ইঙাগী তরামঙানি পানবা পুর্ণিমা মুমিত্তগী।'

বাহৈশিংদো ঐমু তাহৌই। মথা অমুক ভারমদনা চংখ্রে মলাদো ঐগী থোঙ্গাল বাংমা লাগা। মুমিংনা তাখিবগা "মকম পুম্বা অম্মবনা কুপশিনখ্রে। ঐমু ইমুংদা অহুম চংলক্রে।

× × × × × × × × ×

ইচল মেমীনা মলাবু কয়াদা মনম্মা ওইজনিংখিবা অহুবু-অরেম্বা তাখি। ঐ ইখোঙনা খোংনা অবাবগী ইপাক্তা চোংথখি। পাবুংগী বাহৈশিংহুনা ঐবু তশেংনা খোঙ খুং পুনশিনখিবনি পাঙ্গল থোকপা ঙমখিদবনি।

থাজদনা পাবু'না ঐগী লাহর থাঙপোকপুংহুদা ল্যাকপাহুদা ঐমু মরম অমদি লৈরমগনি থনখিবনি। ঐনা ফদা থাঃনা ঙাইহাক ফমলবা মতুংদা পাবুংনা ইকোই কৌইদনা হায়রকখিবদো, "ইবুংঙো মুরজ পাবুংনা লাকলিবসে মচলগী বা অমত্তা তাঁরগে লাকপনি। ইপাম্ম কোক ঙাওরে, থাজ য়োজবগী মতম "য়ৌরক্লে" খল্লুনা ইপাম্মা মাবু ভাক্তর অমদা থাজনবা বা লৌইশিনখ্রে। অহুম্মা কন্নিনো মঙত্রে মাগী মতোংদে লুহোংবগী বা হৌদোকলুবা য়াম্দে মতোমতা পংশাওরা শাওই। ইপাগী মাই চোম্মা য়াবা নত্তে, নঙগু নচলবু থরা থেমলকউ য়। ইপাগীদি মঃ বম্হনা কর্মা

লৈত্রেদো. মচিন মলাগী নতমা মবুং শরুমগি, থৌদু থবক থম্বা নোংখা লাকউ ইপা চৎলে।"

"ঐ করি খুমখিবনো খংহৌদ্রে। ভাইহাক্কি বাখলনা উংৎনা লৈখিদ্রে। য়েংথোকলুবদগি লৈরমদ্রে। নিংশি লকই হুমিত্তদা নোংমা মলানা ঐঙোন্দা হংখিবদো, "সুরজ নও ঐগী মেরিএজ কমখা মতমদা ওইগনি।"

ঐনা ভাইহাক খল্লগা খুমখি. "ইভাগী তরামভানি পানবা পূর্ণিমা হুমিত্তা।"

"কমগা চাহিগী"

"অহুদি খঙদে"

ভাইহাক বাখলনা উ'সুরগা য়েংখৎলুবদদি মলাদো ঐগী নাক্তা লেপতুনা লৈরম্লে। ঐনা হাযখি. "মলা কয়াম কুইরে. কবিগীনো লেপতুনা লৈরিববে ফম্মুদনা।"

মহাক ঐগী নাক্তা তপ্না কমথরক্লে। ৺সিদি মাগী মাইথোংসে হুংম্বক মুংজানে। বাম্ব লানম্ব অমত্তা ভাদে। ঐনা তপ্না কাইরবা থম্মোয়দু কাজিন্দুনা হায়খি, "মলা, হৌজিক্তা পাবুংম্ব লাকলমলবনি, ঐম্ব হয়েং লাকসিন্না থলম্বনি থবক নোম্বা।"

"করিগী থবক্নো?"

"করিগী ওইনি মরুংনা মচলগী নোমকম থোকপা থবকনো ঐখোয়দি করিম্ব পাংন্নিংভাই লৈতে ভাইর মতানিনা।ইচলগী লুহোংবদা ইশাগী পাজম্ব নত্তনা। করিগীনো নংনা পাবুদো য়াম্মা শওই হায়বদ্রি, পাবুংনা বারিবসে অতৈগী.নত্তে নতৌগীমতানিনে। মচু পাবুংনা হায়বা য়াগদবনি। ঐঙোন্দা হৌজিক্তা থম্মা মৈমজি-রকউ হায়না তত্তনা পাওমেল্লবনি।"

ঐগী বাইহুশিংদো অদিগা মঙানা মীংগু ইরা চেংঙা হাঁয়রক-খিবদো, "তানিংদে হায়বিরকনু অমত্ত। ঐ য়ুমদকা অমতা হল্লরোই।"

ঐদু খঙলবনি ঙসাইনা, বাহৈশিসে হায়রক্লগনি হায়বা। ঐনা অমুক তগ্না হায়খি—"মলা নঙবু ঙাওরব্রা? লুহোংগদৌরিবী কৈন্যানা ময়ুমদা হুন্দনা কদাইদা চংকে হায়রিবা। মলা নঙ পাখু গী নিংবা কাইহনগনু, মচা ওইবশিংগীদি মমা মপাগী য়াথং ইনবনা কাইফত্রবা মথৌনি।"

"স্বরজ ঐবু অমুক লক্লবিরগনু ঐদি ঙমলোই কৈদৌনুংদা নঙবু থাদোকপা। করিগীনো ঙসিগী সমাজসিগী মমা মপা ওইব শিনা মচানুপী ওইবশিংবু থম্মোয় পান্দবী বাখল খন্নবা ঙমদবা শাগুম খল্লিবা। স্বরজ নঙনা হায়খিবদাই ঐগী মলাবু কৈদৌনুংদা থাদোক্লোই হায়না অঙ্গগা করিগী ঙসিনা ঐগী চংজফম পিবিব্রিবা?"

মলাগী থম্মোয় শোক্লবা নিংঙমদবনা থল্লবা বাহৈশিংহনা ঐগী থম্মোয়বু মচেৎ কয়া খোকনা কায়হনখি। অঙ্গবু থম্মোয় কনবা শাহনা হায়খি, "মলা নঙ ঐবু হুংশি হায়বদাই অঙ্গগা করিগী ঙসি ঐগী বা তাত্রবা ম বু নঙনা থম্মোয় শেংনা হুংশিবগী খুদমলা? মলা খুংনবতনা হুংশিবগী পত্থ লা? কাইনগ্রবগু নঙ+ঐ লাহৌখিগনি থম্মোয়নুংদা লেঙদনা নঙ+ঐগী হুংশিবদি। কাও থোকপ্রো হৌগ্রবা বারিশিংদো মংলানমক্কি খন্দোকপ্রো। চংলো পাংংদো নঙবু উদবদা য়ানা থাঙজিন্নগনিনি।"

"স্বরজ পীক্লিদৌদী ঐ নঙ। হায়বতা য়াহনা লাকখি অহবু ঙসিদি নচলবু ঙাকপিয়ুকো।"

"মলা নঙ ঐবু য়াবৌগনু ঙসিগী ভাইবংগী চংনবীসিনা ওই-হলবনি নঙ+ঐগী হুংশি পত্থং কাইনবনা।"

ঐস্তু রাইহেশিংসিগা মিৎসুদগী পীরাং শিহখিং কাঁইরবা থম্মোয়রদো মথোল থোক্লা কপচখি। মলাদো ঐস্তু অমুক হন্না উবা ফংলরোই মতাগুম চীংনা চীংনা য়েংখিনে। থাংনিংবা থাং-মিংদা থাংখি তপ্না খেঙথাংদো। পীগী মরিকশিংদো নৈমঙ্খথক্তা তপ্না তপ্না তাহৌরি।

শোন্নবা মুপী ওইবীগী থম্মোয়নি, মলাগী অবাবদো উবদা ইচল মেমীস্তু থম্মোয় শোক্লা তেংথারকলে। মীৎসু অনিদগী পীরাংদো তপ্না তপ্না চেন্থরকই। তপ্না ইচল মেমীগী তনিক্লবা খোঞ্জেল না হংলকখিবদো মলাবু য়েংঙনা "ইচে মলা -হাক চৎলগদ্রা অমুক হন্না ঐখোয়গী লাইর থাংপোকশংসিদা লাক্লরোইব্রা?"

ইচল মেমীগী বাহংহনা মলাদো অমুকা অমৌবা মৈচাক হাপখি। মেমীদা চীংনা চীংনা য়েংহনা হায়খিবদো, ইচেমগী ইবেম্মা মেমী লাকনি নোংমা নত্রগা নোংমদি। লাও কাইন-রমদাইগী মীকুপসিদা ইনাওবু অমুত্তং থম্মোয় পেন্না কোঞ্জগে।"

রান্নবা হকচাং অনিহু চেজেং কোনশিন্নখি; অহুগা তপ্না তপ্না অমুক থাদোক্লখি। পীরাংনা চোৎলবা মাইথোং অনিঙ্ক অমুত্তং চীংনা য়েংনখি। মলাদো চৎপ্রে নিংঙমরনা কাইরবা থম্মোয় পুন্থনা ঐস্তু থম্মোয় কায়নী য়েংহৌই মানা চৎখিবা মাইকৈদ্রা। মলানা চৎপ্রবা মতুংদা থবায়গা হকচাংগা থায়নহোরে চীনতাগী পোৎলুম পুন্থনা লেপহৌরে।

করিবু থন্নমগবা পাবুংনা, নোংমতা চৎলুক্লে ঐ থবক নোম্বা। অহুবু ইচল মেমীদি অহম্মক চৎখিবনি। মুমিৎচু নিরমলাগী মুহোংবা মুমিংনি। ঐ তশেংনা থম্মোয় কায়খি। নিংবা কায়না থম্মোয় পেন্না তেংথাখি। ঐ মুমিনা অহৰ্ম্মক করহনা নৈখি। ঐগী কায়দা। ইচল মেমীদি মশা ওমদা ওমদা মলাগী মুহোংবা চৎখিবনি। কুইনা

লৈরক্লোই থুনা হল্লকনি হায়রম্বনি অদুবু কৈদৌরবনো থঙদে ফনা য়াম্না থেংজিলক্লবা ফাওবা হল্লকখিদে। মুমিদাংবাইরম মমলি মমলি তৌরকপা মতম দা মশম মনা ইচোৎ চোৎনা মেমীদো হল্লকখি।

থোঙ্গালদা লেপ্লিবা মধুং ঐবু অমুক্তং চীংনা য়েংলম্লগা নিংঙমদনা চংখ্রি। ঐনা পাখংনা হংখি।

"মেমী করিগীনো ঐবু নীংঙমদনা য়েংলিবদি। অঙাওবী করিগীনো। কপ্লিববো তম্মু ইবু দা মচে মলাদো হয়াও হয়াও চংখিব্রা নত্রগা কপ্না কপ্না চংখিব্রা?"

ইচলনা ঐগী বাহংগী পাওথুম পীঙমদনা বানা হিক্লা হিক্লা কপ্‌নুনা হায়রকখি :—

"দদা ইচে মলাদো চংগ্রে ঐখোয় পুম্ববু থাদোক্লম্লগা শেংলবা স্বর্গগী লমদমন্থদা।"

বাহৈশিংসি হায়রম্লগা মেমীদি অঙম্মক কপ্‌নুনা লৈখি। ঐমু থিংঙমদনা মিংলুদগী পীরাং লেপ্পা লৈতনা চেম্বরকখি। খল্লু খল্লুরগা ঐ ইদোমতা নি ঙল্লকখি দে পুম্নমক ঐনা থোকহনখিবনি খল্লুবদা।

নিরমলানা চংখ্রবা মতুংদগীদি ইচলগী অনাবম্ব নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখি। নোংমত্তা মোমোন নোকখিদ্রে ইচল মেমীদো হিক্লা হিক্লা কপ্‌নুনতা লৈদ্রে। তত্তনা ইচলনা শোনি "ইচে মলা নঙবু কৈদা চংলবগে, নঙনা নোংমা ঐঙোন্দা হায়রম্বদাই; মেমা লাকনি নোংমা নত্রগা নোংমদি নখোয়গী য়ুমসিদা অদুবু অমুক হন্না লাকত্রেনে ইচে নঙদি।"

ঐহাক ইচল 'মেমীগী' মতৌ য়েংবা ঙমখিদ্রে। ঐশু মাবু কাইনখিবদা বানা থাঙখি কপ্না কপ্না। নোংমদি ঐগী লাইর থাঙপোকশঙদো ইচলগী নোকখেবগী খোঞ্জেলতা নিল্লম্বনি অদুবু ঙসিদি নিল্লবে ইচলগী মীকপ খোঞ্জেলতনা।

হুমিত্তো ঐহাক ভুম্বা হোগৎলকপদা মঙাইরি, ঐহাক মঙলাক্লবঙ্গম্রে। ঐ মঙলানচু নিংশিংলুবদা ভুজুংবা পোকখি। নিংখিংবা লৈকোলম্বদনি, মুংঙাইনা অবাবা মশক থঃদবমখৈ শান্নবম্বদো ইচল মেমীগা ঐগতা। অদুবু খঙহোদনা হৌরকপা অমংবা নোংঙনা কুপশিল্লক্লুনা ইচলন ঐনা মশক উবা ফংখিদে। অদুবু তক্তনা তাখি ইচলগী "দদা নচলবু থাদোকপিগন্নু" হায়বা খেঞলদুদি। ঐনা কয়াদা য়াখিবা ক দা য়ানা ইচলবু থিখিবা অদুবু অংম্মক খিবা ফংখিদ্রে। করি থোক্লগদবনো খংদ্রে মীং পাম্বোমসিপ্প য়াম্না চোংই।

ইচল মেমীদো করি তৌরবনো খংদে থংনব কাদা কপ্পগী খোঞ্জেল ভাই। ঐনা ইচলগী নাক্তা চংশিন্দুনা হংখি, "মেমী, নঙবু কৈদৌরবগে?" করিগী কপলিবনো?"

ঐগী খোঞ্জেলন তাবদা পীরাংনা চোৎলবা ইচলগী মায়থো দো তপ্পা হাইগৎলকখি। ঐবু মমিং কুপ্তবমখৈ য়েংশগা হায়রকখিবদো, "দদা নচলবু থাদোকপিগন্নুকো, নচলদি পাঙ্গল শোনবীনি ইদোম লৈবা ঙমজরোইকো।"

"ইবুংগী ইবেম্মা মেমী; ইচলবু কৈদৌরবগে ইচলবু থাদোক্লুনা নঙগী দদা কৈদা চৎলোইনে, সে কপকন্নু ইচলনা কপ্পদো ইবুং য়েংবা ঙমদেনে।"

ঐগী য়াহৈশিংনা ইচলবু ভুমিংনা লৈহনখি, অদুবু মিৎলুদগী পীরাংদি লেপ্পা লৈতনা শিম্বরকখি। করিনো খংদ্রে, ঙসিদি ইচল মেমীসে করিনো অমা তৌরে, চোইরোল পারোল মফম খংদা পঙলোম্দা লোল্লে। অয়ুক্তগী চুথরকপা নোংনি অদুবু মুমিং তাশিল্লক্লবা ফাওবা হাংবা কৌবা লৈখিদ্রে। ঐগী মল্লবা শেগাইরবা খাঙপোকশঙদো নোংনা লেপ্পা লৈতনা য়ুথরক্লে।

মৰৰক্লবা খাং৻পোক্কী ইকুমশিংদো চবুল চবুল লৈমায়থক্ত: ভারক্লে ; ুথৰকপা নোংছনা ইরম ফা না চেল্লক্লে।

ঙসাই মুংখিলদি করিস্থ তৌরোইদ্রা থল্ল ?সি অ৻বু হৌজিক্তি ইচলগী ফিভম্ব য়াম্না শোকচিল্লে। শ্বর চনিং তানা হোনজদ্রে। ুশি মুশিরবা থাওমৈগী মৈ ামদুদা বারবা ইচলগী মায়থোংছ ুইনা য়েংহনা লৈবা ঙমখিদে। ইচলগী কং লবা চিম্বালদগী থোক্ল- কপা নিক্লবা খোজেলশিংদো এ ঙসিস্থ নি.শিংলি—"দদা ইচে লাদো হৌজিক্তা ঐগী নাক্তা লাক্লম্মী। দদা নঙ য়াম্না শাওরম্বনি।"

ঙাইহাক অমুক তুমিন্না লৈক্লরগা ইচল মেমীনা অমুক ঐঙোম্দা ংখি—"দদা ইচে মলাদো লাকঅদ্রা? ঐদি থেংনহৌদ্রে ইচেনা ায়রস্বনি নহানদি মেমী লাকনি নোংমদি শোইদনা নখো.গী মসিদা।"

অমুকস্থ ভাব তারকপ৻ম ইচলন৻ হায়খি -"দদা ঐবু হৌজিক চরি করি হায়গ্রবগে।' ঙাইহাক তুমি৻া লৈক্লরগা পীরাংনা চাৎলবা ঐগী মাগথোংছ মুন্না য়েংহনা অমুক হায়রকখিবদো, দদা ইচে মলাদো লাক্লরোইকো। ঐগী ইনম্মা মমা চংশ্রেকো তম পুম্নমক্কী ওইনা ঐখোয় পুম্ববু থাদোক্লম্লগা।" অমুকস্থ বানা ায়রকই, "দদা ঐ য়াম্না বারে ঙাইহাক্তদি পোথাহল্লুবা।

মুমিদাংগী পুং মাপল লোম তারম্লগনি। ঐহাক ইচলগীদমক্তা না ডাক্তর কৌবা লাকখি মোং. লক্তুদা। ডাক্তর অমক্তং ংলবদি হায়ছমা থিরকখিবনি অম্বু কনানস্থ লাইরবা ঐগী- মক্তা ঐগী লাইর খাংপোকশঙহুদা লাকপিয়ু য়াখিদে। ঐহাক সিগী সমাজসিবু ইদোমক্তা নিন্দা তৌজখি। নিংঙমদনা ঐগী াইর খাংপোক শঙলোমদা লাকখি। ঐগী মুমগী থোংজিন্দা লম্বদা মঙাইরি নোংমৈ কাপ্নবগী খোজেল নক্লা তারকখি। ইপা

পাখৎনা ঐ ইমুংদা চংলকখি। নোংলক্তা চৎলুবদগী হকচাংসিন্থু নোংমা পুমচোৎ চেৎলবর্ম। নোংমৈ খোঙ্লেলগ তাংদ। পাখৎনা হৌগৎলক্তুনা ইচলনা কৌরকখি। "দদা, দদা"

ঐগু খুমখি, "মেমী ইবুং লাক্লে।"

ডাক্তর ঐগী ৱাহৈনা লোইখিবগা লোযন্না কদোমদগী দা কপা নোংমৈ গুলিনো খঙহৌদনা ইচলগী হকচা দা পানখি। ইচলগী ৱাহৰা হকচাংতুনা ৱানা মবুং ঐগী দা ডাথক্তরকখি। মমীৎ অনিথু কুপ্তুনা ঐত্তোন্দা য়েংলকখি। ইচলগী হকচাংদগী লেপপা লৈতনা অঙাংবা ঈ চেন্থরকখি। ইচলনা ৱানা হাংরকখি "দদা নচলগী পুন্সিদি ঙসিনা লোইরমালে। নচলনা কযাদা য়েংজিংবা ইনম্মা মলাগা দদাগা পুন্না লৈম্মিন্নবদো অদুবু চৎত্রে ইনম্মা মলাসু। চৎলগেকো দদা, নচলবুসু থাদোকপীরো; দদা যেংঙুনে ইনম্মা মলাসে অথাপপদা ঐবু ঙাইহ্নুনা লৈবে, চৎলগে দদা... চৎল... গে... দদা।"

ইচলগী তরু তক পাংলম্বা মমিৎ অনিদো তপ্না উইশিনখ্রে, মবুং ঐবু অমুক্তং য়েংলম্লগা। ঐগী য়াথংতা ইনজবী গী ইচল মেমীদো চৎখ্রে ঐগী য়াথং ইনদনা। চৎখ্রে থাদোক্লম্লগা ঐবু।

অদুবু ইচলগী হকচাংদি ঐগী নাক্তা লেঙদনা লৈহৌরে। মানা চৎখ্রবসু ঐবু থাদোক্তুনা; লৈহৌরে থম্মোয় মুংসিদা ইচল অমদি ঐগী চন্নবা থাংপোকশঙগী পুন্সি ৱাখিঙদি। অমা কাযন খিবগী মৈচাক থাঙবা ঙমখ্রিদ্রে। ইচল মাসু চৎখ্রে ঐবু থাদোক্তুনা।

ঐগী, ইচলগী থরায় য়াওখ্রবা হকচাংথ য়েংদুনা ঐ থম্মোয় শোক্না তেংথাখি। ঐনা ৱাশকখি মমিত্তুদা, "ইচলগী লমন মবুং ঐনা শিংগনি।" অদুবু ঐনা মায় লৈথোরকপদদি সরকারগী লাণ্মীশিংনা ঐবু কোইশিন্দুনা লৈরম্লে। ঐ তশেংনা উহৌই

পুচিংলক্লিবা ওফিসারহু খঙহৌদে ময়ামহনা হোংচিল্লকুনা ঐবু ফুবা ওং নৈবা ছোৎকখি। মখোয়গী ওৎপা নৈবদা ঐ খাঙবা ঙমদ না জ্ঞান মাঙখি।

ঐ ভাব তাবকপদদি ঐ মমবা নমখিরবা জেলগী চেকপলমু দো নৈরমখি। ঐহাক মঙল। তাইব লা খঙখিদে অদুবু মঙলানদি নংলমদ্রে। ইচলগী অশিবা হকচাংহুনা কমদৌবমগবা। ঐনা ওসি জেলগী চেকপলমু সিদা লৈরিব সনা কবিগী, ওসিগী সমাজসিগী চংনবীবা? ঐ ইতোমতা থম্মোয শোক্লা হংজখি। অদুবু কনানস্মু পাউখুম পীবিরকখিদে।

মুমিং খরনি লৈবগা ঐবু কোঁতা পুথোবকখি। ঐনা থম্মোয় শোক্লা হখি অবা বা কমথক্তা ঙাহ্নোইরিবা জর্জ সাহেব অহুদা— "ঐগী ইবাল করিনো? ঐগী খুত্তা খোঙদা য়োহ্লিং থাঙলিবা, ঐবু কনাদা কখি লানপ্রবগে।"

অদুবু পাউখুম পীবিরকখিদে, ঐবু মুগ্না য়েংহনা অদুম্মক লৈখি কাদুগী লৈতেং ওইরিবা ফিমু শেৎপা সরকারগী উকিলশকমা ঐ ওমদি ঐগী চমজরবী ইচলবু নত্তবা ইরাল কয়া শিজিন বিখি। চমজরবী ইচল অমদি ঐবু সরকারগী মায়োক্তা লালহৌবা ওইহনখি সরকারগী উকিলশিংহুনা। চাওরবা বায়েল শঙ দুদা কনাস্মু চো থোকপিরকখিদে ঐগীনি হায়বা। ঐনা হায়জবা মনানহু তাখিখিদে। জর্জগী বারেপ মতুংইন্না ঐ পুন্সিচুপ্পা বন্দি ওইখি।

× × × × × × × ×

ঐনা মরক থংনা হংখি, "মকপ করম্না ওসি ঐগী নাক্তা অদুগা মি তা লবী হুপীমচাহনা কনা?" মহাক্না খুমখি—"ডাক্তর ঐগী বাবী লোইনবা তাখিখো মরক্তা ঐবু লেপহনবিগনু। ঐ

মাগ্গী বাহে গী মচুং ইন্না মখুৎ তান্না অনুক হৌদুনরে। মোরা মাগী বারীশিংত মথা তানা অমুক লিখবা হৌরকখি, মতুং অদুগী ঐ তশেংনা বায়েল শংগী বিচারপতিশিংবু থুকখি। জেল মপুংগী পুন্সি বারা অরাবনি। লৈরম্বিবা মরুপ মপিভা খুদিংমক ঙিংবা কাইরবা ভাকুনি। ঐগী পুন্সি বারীসু নিংবা কায়বগনা শৈহৌনি নিংঙম-হৌত্রবনা শৈরোইনি।

ঐ ইচলগীদমক্তা লমন খুগ্গা ঙমদ্রে খঙ্গুবদ্রা নোংমা চিক্না লৈবা ঙমখিদে। বাংলবা জেলগী চেকপুল কুল্লারক চোংনম্বা হোংনখি অমবু পুম্নমক অরেম্বা তাখি। ঐহাক ইচলগীদমক্তা লমন খুগ্গা ঙমগনি হায়বগী আশা উখিদে।

ঐগা লৈমিন্নবা অমুন্দু ওইরক্লা ববাংনা ঐবু কথাদা মুনুং তৌবি-খিবা। ঐগী বারিগী তাবগা ববা মরা হায়খি; "মুগ্গামক্তা নঙ নঙগী খরাবু রাগমুক্কো। নঙসে ঐগী শগৈগী অশেংবা ঈনি। ঐসে নঙগী নফমদা ইরান ক্রুম্পা লজকম্বা। বারিগীস তাখো ঐগী পুন্সি বারিনি। নঙন্না খুঙল্লকনি বারিসি তাবগা নঙসে ঐগী শাগৈগী ঈনি হায়বসে। ঐ তুম্মিন্না অহুমক ফমদুনা লৈংখ ববাংগী বারি তান্নবা। অশিংনি মপ মদা য়েংথোকখিবদা পুম্নম মমই। পুং কয়া তাপ্রবনো হায়বদুদি ঐ হায়বা ঙম্মদ্রে। নোং তুংশিংদু কুয়া তৌরি। অথাক অরাংগী খোঙেলসু লেপ্পা লৈতনা তারি। অমমবা মফমশিংদো অমুক অমুক খংঙান খংঙান ভাক্লকই নোংথাংশিংনা কুপলকপদা। মরক মরক্তা মপাং ক্যায়নরবা চেক্লা-শিংনা ম্লারা ল্লাক্লা খোংলকপগী খোঙেলসু তারি। বদি অংাম্বা তুমগ্রমাগে চেক মোক ল্লাওখিদ্রে।

ঐগী ববাংগী খোঙেলছ অরকপা মতমদা বারী হৌরা হায়বা খঙলকখি।

বদংদগী বারীদো অনুম্বা ছোরকখি—মতমদ ঐ চহি তরা-নিপালগোম তুরম্বগানি। ইমা ববা লৈখিদ্রবদু ইমা ববা অনিনা থম্বীরম্বা লনথুমশিংদগী মপালনা ঐগী দদাগা ঐগতা কয়াদা সুংঙাইনা পুক্সি লেনখিবা। ইমা ববা অনিনা থম্বীরম্বা লন থুমশিংদগী মথক্তা দদাগা ঐগুনা অমুক হেন্না তানশিন্দুনা ইরং। চাংওম্বা পৈরম্মী। মচিল মনাও ওইবগী কল্লবা সুংশি শাক্লু না ইয়াম্বনা নোংমত্তা ঐঙোন্দা থুবাক্লা ফাংবা থাখিদে। ঐন্দু নোংমত্তা ইয়াম্বদা ব্যবহার কায়খিদে।

৮ নোংমত্তা অরাবা মশক থঙদনা শম্না লুপা মরক্তা য়াওরম্বনা ঐঙী দদাগা ঐগা পুক্সি লেপ্পকখি। অচৌবু ইচিল ইনাওদা লৈবা পুক্সিদা অক্লাংপা অমদি অচৌবক লৈরম্মী। চুপী য়াওদনা করম্বা খুম্বাকপনি। ইমুংতা ইথাং য়াংবগুম তৌরম্মী। ঐনা চহি কুমমুক তুরকপগী অহম্বাইদা শাস্তি কোথী মশক মতৌ ফজবী য়াশি ওন লৈখী চুপী অমা ঐগী ইতৈমা ওইনা ফংখি। ইতৈমম্বু লাক-পাঙ্গীদি ইমুংসি থরাং লুম্বগুম তৌরক্লে। ঐগী ইতৈমা পুকচেল তম্মী মোং ছাদরী সুপীনি। ঐবু হেক পোক্তা পোকমিন্নবা মনাওগুম্বা লুন্না তৌখি। ইতৈমনা মবক মরক্তা ঐগী ইতৌ য়েংহুনা লক্লখিবদো "ইনাওনুপীদো মশক থঙনিংলেদা।"

"ইতৈমসিমা জাং জাং প ভাংদা ভাংশিল্লক্রদবনি।"

– "হোৎনে, হোৎনে, ইনাওমা থনজবা লৈত্রগনা ইতৈমনা [illegible] মশক ফজবী অমা হায়কনিদা।" ইতৈমগী বাক্লেশিংগুদা [illegible] কনিংখুমখিদে। মোরুপত মক নোকখি। চেনখিবা মতমগী থোঙ-লোক্ত [illegible] ইতৈমদো তাংনা মচা নুপা অমা ফংজখি। [illegible] চহি মরিক্লোম [illegible] তুরকপগী অহম্বাইদা ঐন্দু লুহোংখি [illegible] তোথী কৌরী নুপী [illegible]। [illegible] ঐথোয়গী ইমুংসু ইংনা তপ্পা প নথি। ইচানুপাংনা চহি মঙা তুরকপগী অহম্বাইদা

ঐশু ইচাম্নুপী অমা ফজখি। "কংগাদা হয়াওজখিবা ইচা স্নুরংনা নুমিং চুপপা ম লমী নাকতদা লৈখি। মচলগী মখি, কনানমু থোনখিদে মানা পামজনা কৌখি—"মেম্মী"। শকমদা ম্নে নুরবমু ইচা স্নুরজগা মেম্মীগসে অমনা অমবু হেন্নদে। অউবা খুদিংমক্তা অঙাং অনিনিদি লাই মগাম্ভু ঙাইহে ফজরিবা হায়নমদবা য়াওদে। মিংকুপ অমত্তা খা দনা মখোয় অনি লৈমি খি।

সনাতোম্বী মতমগী ইরা দা য়কলাংমী মুনীনি। মহাক অমদি মহাক্কী মবুংগী খুদোম্নোদা ঐবু হাপ্তুনা পুখা মানবা হোংনরকখি। নুমিং খুদিং সনাতোম্বীনা কপ লাওহুনা ঐ অমদি দদা অনিবু তোখায় তোখায় তাম্নবা হোংনরকখি। ইবাইম্নু অংমঙাই নুমিং খুদিং ঐগী নাক্তা লাক্কুনা ঐগী পুক্লিং ওন্নবা ৱাহৈ কয়া হায়জিন্দুনা ঐবু শুম্নবা হোংনবকখি। থম্নহৌত্রবা মীকুপ্তা ঐ মখোয়গী খুত্তা তাখি। মখোয়না ঐবু শিজিন্ননিংবা মওংদা শিজিন্নখি। মনা মপুনিংবা চুইকুম মখোয়না হায়বতা য়াহুনা লৈখি। নোমতা লানজদ্রবী ইতৈমা অমদি তামেদা ইরাল কয়া লংশিনজখি। ইতৈমনা ইচন চম্না মনাও অমা ওইবগী ৱারকচবা কাওবা ফত্রবা ঐগী ৱাখলনা ইতৈমবু লাম্না লৌহুনা যেরুবকুম থংনব চৈনখি। অদুব ইতৈমদি ঐগী ইতৌ চেংলগা করিম্নু থুমদনা কপ্পুনতা থাঙখি।

নুংশিরবা ইচাম্নুপাঙবু মফম থওদা অশুকপা চীংনুংদা লথোকখি। মতমন্নু মহাক চহি তরেংমুক শুরম্নগনি। ঐবু তশেংনা ঙাওহল্লবনি মখো না পোশেম যাও তৌদুনা। ইয়াম্নুনমু মচা নুপাবু জোগ্না অমদি কোংম্না থিবা ওমজখিদে। তত্তমা চিঠি কযা শমশাংন পিংনখি। চিঠিগী মরোলদি অমুম্না হা খি "করিজগা নচা, লোম্না নত্রগা কোংনা থিরক্লবদি অমুক হন্না নুংশিরবা নচাবু সংসারসিদা অমুক হমনা উখাংফংলম্নোই।" চিঠিগী

বায়োল শিংলিনা ঐগী দন। অবদি ইতৈনবু মখোঙ মথুং পুনশিনবগুম থোক্কখি।

অমত্তা পোকচবা মগাম্মুপাহনা মকম ওঙদনা মাঙপ্রবদা ইতৈমা অমদি তামোনা কয়াদা বানা মচা কায়নবগী মৈচাকতো থাঙখিবা। ইতৈমদো অঙাওবীগুম পান্দমরক্লে অমত্তা পোকচবা মচাহনা মকম খঙদনা মাঙপ্রবদা। মুমিংচুম্না কপ্পুনতা লৈথ্রে। অরাবগী মরক্তুদা ঐাদ থাক্কা থাক্কা লোকখি। মমনা মচাবু মুংশিবদি কনানন্থু থাহনা লোইবা ঙম্বা নত্তে। মিংকুপ অমত্তং উদবদা লৈঙমদবনি অহুবু মুমিং কয়ানি মচাগী শক্তম উরক্তুবদা মনা ওইবীনা কয়ম খাঙগনি। নোংমা মচাগী কুমৈদা মীওইপোক পুন্সি মুংঙাই খল্লম্বা স্বর্গগী নন্দন কানন হায়বহুবু মালেমসিমুক মুংঙাইরমগদ্রা নিংলম্ম, অদুবু অমশা তাংনা ফংজবা মচাহনা নৌনা কায়নপ্রবদা মনা ওইবীদো বাবনা থম থেংলক্লে। নরক হায়বদুবু মালেমসিমুক বারিগদ্রা খল্লক্লে।

নোংম বাংনা শাগৎচখিবা অশাগী মঙলান্দুম্থু মোংম নোংমগী নিংখা রক্লে অশাগী মপাল তানা হিংবা পুন্সিনি, তুংগী অশা য়াওদ্রবা মহ তুদি পাক্লব। ঈপাকথক্তা কল্লবা নো লৈ মুংশিং মরক্তা নৌরেল য়াওদনা হোল্লিবা হিনাওগুম্বনি। নৌনা য়েম্লিং হল্লকপদা ঙাইহ্রিবা অশাগী উপালহনা নৌনা ময়োল তেকপ্রবদা নোংম নোংমগী কংথরক্লে অশাগী উপালদো।

ইতৈমদো নোংমত্ত মীৎলু পীরাং কংথিদ্রে। বাথলনা লায়না ওইহনা কমুংদা মাতাদনা লৈথ্রে। থাক্ক থারুবা হিদাক অমত্তা কাম্রদ্রে। হকচাং ফগৎলকপগী মহুত্তা নোংমগী নো মগী লোপমক্লে। নোংম নোংমগী শিথরকপা থাজগুম নোংম নোংমগী হিংবগী থমি শাম্লক্লে। পুন্সিগী মুমিদাংবাইরম ওইমক্লে। ইতৈমদো চাক মরু অমত্তা চাখিদ্রে, ঈশিং থুয়া অমত্তা থককিদ্রে।

মতম কুইনা চাদ থক্তবন। মশাদো শাথিনা পো চঠিল্লে। শল্লাং চৈইজাইনরক্তে, মি থিরবা মাল্লখোং.দা অমুবা মাযহিং কাল্লক্লে। ইতৈমদো মতম থম্না রনা পুন্সি লেজগ্রগা চৎথ্রে থা দাক্লগা এখোয পুংগ্রা। অদুবু কয়নরমদাইগী মীকুপ্তুদা থরাংগা হকচাংগা শানথি লৈবা লৈতনা ইমাগী ইবুংঙো, ইবাগী নিংথেম ইচাবু উদবা কুইবেদা।

এদি মতমদদা ইতৈমগীদমক্তা মিংলুদগী পীরাং শিন্ধখিদে। ইতৈমনা সংসার থাদোকখিবা থা অনিবোমগী মতুংদনি। নোংমা এগী দদাদো এগী কাদা থাংনা শোক্লুনা শানখি রানা। এ দদাগী অম্বাবহু য়েংতন লৈবা ঙমখিদে। এহাক তপ্পা চংশিন্দুনা তামোগী হকচাংদগী থাং শংলুরি। এনা হংখি তামো নন ঙ- হায়রীয় কনানদো তামোবু অরাফমসিদা তাহনলম্লিবা।" তামোদো এগী পাওথুম পীবকখিদে। রানা মতং মতং ওইবা রাহৈংশি হন। হায়রকখি ইয়াম্নগী ইবুংঙো নঙ ইথাম্ববু রাবোগগুকো হন্দক্কী মপোক- সিদা ইচিল ইনাও পুন্না লৈমিংবা ফংলবোইদমাল্লে। নুংঙাইবনি মতম অমগী ইচিল ইনাওগী যুম পাল্লিরৈগী পুন্সিহ অহব কয়াদা পুনা হোংগ্রবা............। রাহৈ থরুন্সি হংয়রম্নগা চৎথ্রে, এগী তামোল্লো এবু থাদোক্লম্নগা। মতমদদতা এ থম্মোয় শোক্লা তেংথারকই। এগী মম্নরবা থম্মোয়দ অমুক ঙাল্লকখি। অশাওবগী মৈরিদনা এনা কত্রবা এগী হুপীবু থাংনা থিন্দুনা হংখি।

এগী ইবইহ পুলিস ইন্সপেক্টরনি। পুলিসকী ফিজোল শেংতুনা এগী কাদা চংলকখি। সিফাই থরম্ব লোয়ন্নরকখি। এবু মী ছাংপনি। ময়হনা ইরাল শিখি। এবু পুন্সিগী ওইনা বোন্দী তাইনখি। এগী ইচা মেমীনা মপা এবু খুং হুরেম্নগা পুখিংদা নীংবা কায়না মাংগোলগী চীরাইদা লেপ্পুনা কৌহোমদো থম্মোয় শোক্লা ববা ববা............।

ববা ইকাও কাওরুবগুম হায়রকখিবদো ইহৈ নঙগী বাম্বিদি রাওরমদ্রমালে। তাঁও ঐ থিংগে, 'নঙগী' 'ববাদি' 'লৈরকারবী' 'সিং আইঃ ডিনি। ঐনা ইচা স্থুবত্রবু হুনদোক্লগা চাংখুংতদা কয়িখিরা থবা থিজিনবা লাকখি। মতমদা। ঐনা হুনদোক্লগা অঙাংগ থেংনখি। মচা লৈরবা মমা মপা অনিদুনা মতবু মচা লক্লা য়োকখি। মতমগী ইম্ফাল সহরসে হুবান নিথি অঙকপা কমা কনখী। সহরগী হুরান চিনাথি তৌরিবা ময়ামদগী লুপিংবানি পালসবী মাযথুম উপলিবা ঐগী ইবাইনা। ঐন্মু হুরানবশিংগী মকক্লা অমনি। অদুগা নঙগী ববানা হুবানবশিংবু থিগৎলিবা সিং অাইঃ ডিনি। হুবানশিংগী তরানি মপুগী লোমা হায়বগী নো মদি নঙগী ববানা তবেদনা পুম্বা খঙত্রে। অরোনবাপাওসি নাকোং অনি শুদ্রি ঙৌদা হায়না ঐগী ইবাইনা লুচিংবমা লাক্লগা নঙগী ববা অমদি ইমাবু হাংখি নঙবুস্তু হাংনবা তাক্লখি। যেংঙু নঙনা অঙাং ওগরিডৈ ইতৈমগা নদাগা পুন্না ফোটেরে।

ববাহুনা ফোটোদু ঐডোদা শিখি। অথুক অরাওগা লোযনন্না কুপ্লকপা লোংথাগী মঙালদদা শক্তমশিংদো ঐনা মীংপেল্লা য়েংজখি। নিংশিংলকপগুম তৌরবাখ হৌফম লোইফম খজ্রবা পুন্সিগী রাবু থবদো। অমুকপু নিংশিংলকখি, ইমাগী ময়ামদ শাম্নমিত্রবদা ইমা বশিংনা ঐঙোন্দা তৎত্তনা হায়খিবদো

"ওদি চীংদগী খুল্লকপানি হায়।"

ঐনা মতমদদা খোইশাওনা হংখি, "কনানা হাযরিবা?"

"ঐখোয় ববনা; হংঙু হংও নখেয় ববাদা।" মতমদু লৈকাইগী অহল অমনা ঐথু লক্লখিবদো -

"চীংদগী খুল্লকপা অঙা"

মতমদুদা ঐ অদুক তুমিননা লৈখি। ববাদা হংসিরা খনখিবনি অদুবু হংবা নংহৌদ্রে মতম কয়া ইতাম্নতা হংজরকপা

মাহেদো শক্তিংজম্না পাওখুম ফংলে। ইতোম্বতা নোংঙমখিদে এগী পুন্সিদা, ফাপাইবা লৈচিলগুমনি খল্লুবদা। মবাহুবু তাইহাক মখৈ কুপ্পবা, য়েংলুবগা কৌখি, থম্মোয় শোক্লা "ববা" –

ববাহুনা তপ্পা হায়রকখিবদো ঐগী মীৎলুদগী চেম্বরক্লিবা পিরাংশিংদু য়েংহুনা, "ইবুংঙো কমগী মতম নক্রে লমন থুমলুগো। মচল হাংখিবগী ইমা হাংখিংগী।" ঐ ববাগী মাহৈহ তাবদা থম্মোয় শোকখি। লমন থুমনিংবগী মৈরী অঙকপা ফংনা চাক-থংলকখি। অদুবু বাংলবা জেলগী চেকপল করম্না চোংগনি। ঐনা ববাহুদা নিংঙমদনা হায়রি।

"ববা কাওরবরা ঐথোয়না লৈরিবসে বাংলবা চেকপলসুং সিদনিনে। করম্না লমন থুমলুগনি।

ঐগী মাহৈশিংদু তারগা ববা না মোমোন নোক্লা হায়রক-খিবদো "ইপাগী ইবুংঙো কমিগী চিংনরি ইপানা লম্বী পীগনি ইচাগীদমক, লাও ঐগী তুং ইল্লকউ. ঐগা লোয়ননা চৎসি।"

ববাহুনা ঐবু কা অমদা পুরকখি। অরোনবা গুরুংগী লম্বীদা ববাহুনা ঐবু চেলহল্লকখি। অদুবু ববাদি অদুম লৈহোরে। মমবা গুরুংগী লম্বীহদা উপ্রাক্লা শিংতুনা য়াম্না মানা লাকখি। গুরুংগী থোঙদু জেলগী চেকপলংদগী মুট কুনলোম চৎথোক্লগা লৈবা মফমদনি। ঐ তপ্পা থোরকখি মিকুপ অমত্তা পম্বরমদনা চৎপা হৌরকখি। নোং-মুংশিংমু লেপলমদ্রি। মতম অদুফাও। ঐহাক মতমহুদা কয়াদা হরাওখি, বাংলবা জেলগী চেকপলদু লান্দু-না চেক্লে খল্লুবদা।

ঐহাক চেনবেহৈ চৎপোই তেংদুনা কম্রবা, অদুগী মমুন মাইকৈ পাংলকখি। লমন থুমনিংবগী মৈরিদু থম্মোয়মুংসিদা মৈরী থোক্লা চাকপা হৌরকখি। কুনাবুদু কিখিদে ঐহাক, মাগী চাওরবা

ঐ মাগী বাইহেশিংদো তাবা ঙমখিদে। খুনমক মকমচু থাদোক্ল-মগা লাকখি। মাইকে মখিদগী ইবু ক.ননবা লাম্বী তেঙ্গোন লেগ্লি-জিল্লকখি। অদুগ ঐহাক লাখোক্লুনা লাকখি। ইচলগী অশিরা হকচাংনা য়াত হৌবা ঐগী লাইর খাঙপোকশংদুদা। ঐগী লাইর খাঙপোকশংদো মুমিং অহুদম্মু অতুম্মক লেপ্লমলি। তপ্না ঐগী লাইর খাঙপোকশংদুদা চংলুই। মুমিং খুদিং ইচলগী মুংশিরবা খোঞ্জেলতনা নিলগা ঐগী লাইর খাঙপোকশংনি। অদুবু মুমিং-তুদি পুমচিক চীক্লা লৈরমখি। তাখিদ্রে মুংতিগীগুম ইচলগী মদা হায়বা খোঞ্জেলদো। উখিদ্রে ইচলগী মোমোন নোকপা শক্তম। ঐনা তপ্না ঐগী মল্লবা থাওমে চুখংখি। মুশি মুশি ঙাল্লিবা থ ওমৈগী মৈঙালদো ইচলগী হকচাংদগী তাখিবা অঙাংবা ঈশিংদো উরকখি। ইচলগী হকচাংদগী তাখিবা অঙাংবা ঈশিংদো মুমিং-তুদদি মচু ওল্লম্লে। ইচলগী মঙ্গনরবা ফীজোলশিংদো উক্লরগা ইচলবু তংতনা নিংশিংলকখি। ইচলগী মোমোন নোকপা শক্তমদো মীৎসিদা তংতনা উরকখি। শাগ্নরকখি চেন্না চোংনা অহিংমুদা ঐহাক পেন্না তেংথাখি।

ডাক্তর মুংঙাইদ্রা, ঐগী পুন্সি বারী; নোক্লিংদ্রা মহাক। হায়নৈ মীওইবগী পুন্সিসে অমুক বাবা অমুক হুংঙাইবা অদুমু ঐগীদি অবাবতমক শক্লক থুংলম্লে। অমগী মথংদা অমা মথং মথং অনৌবা মৈচাক হাপকংলক্লে। চংগ্রগে থনবনি সংসারসে থাদোক্লুনা হংলবা স্বর্গগী লমদমচুদা অদুবু থাংজমদ্রে থবায়সে থনবদা মাগীদমক।

করিগীনো ঐনা মাগীদমক অঙক বারিবা মাবু ঐগী কনা-নোনৈ। ঐনা থম্মোইশুংদা তংতনা হংখি। অমুকম্মু ই তামতা পাউথুম্নখি, করা নত্তেমহাক ঐগী অদ ব মই ক মম্লিং তাংজরীনি। মানা হাংখি কনা লৈত্রে ঐগীদি তাইবংসিদা মসি অচুম্বরনে।

ওহ অরবনি করম্মা পুন্সি লেম্লমগনি মহাক। কল্লিগীনো ঐনা অমত্তা ঙাইরবা মাগী পাবুংবু হাৎলুম্বিবা?" ইত্তে মতা পুক্লিংনা অমুক থনজখি - "লমল খুমবনি লমল শিংবনি।" ঙাইহাক ঙাইহাক রাখল তৌরুরগা অমুক ইতোমতা শোক্লখি ফরে, চংপ্রবা মাদি চংপ্রবগু, লৈহৌরিবা মাগী ঐনা করি তৌবা ঙমগনি। ইচলমক্কি থগা নাওকোনশিরা? হং নত্তে ঐদি মীরোংনি মহ ওইথোক্কে। মাগী মমিংসিবু ঙাউমক উরমোইদবজাৎলা, লাই-য়েংলগা উরকপম্ম য়াইদা, হোৎন না য়েংখিগে অমুক্তংদি। মাগী মিৎনবু উরবদি হিবা ঙমগনি মাপু মতোমতা। রাখল ময়াম সিনা ঐহাক অহিং কয়া তুম্বা যাখিদে। অশেংবমক চুম্রম্লে মাগীনি হায়রবা হন্না য়েংবদা কনা লৈত্রে। থা অনি অগম হেল্লক্লে ঐনা মাবু ঙাক শেন্দুনা লৈরক্লিবসে। মাদি অযাম্বা মতমদা বৌনাগা লৈরম্মী মখোয়গী লৈকোলগুদা, বৌনাসে মশাগী ওংজবা থীদে। মরাইবক থীরবী অহুগীদমক মুংঙাইনবা হোৎনৈ। লৈকাইগী মচে অমদা তৌবিরিবস অঙকপনি। রাবরা মচেগী পুক্লিংমু তংতনা থেমজিনবী।

নোংমগী মুমিদাংর ইরম্মি, ঐহাক মখোংগী লৈকোল দা চংলুই। কনাম্মু উদে ঐনা, রারী শাম্নম্বিবা মখোয় অনি নত্তনা। ঐহাক তুম্মিন্না চাওরবা বোকুল পাম্বী মখোঙন্দা ঙাইহাক ফমহুনা লৈখি। করিগীনো খঙদে, পুক্লিংসে লৈভাদে। লৈকোলগী উপাল রাপাল, হৈপাল লৈপালশিংহু তুম্বক তুম্বক তুমিন তুমিন লেপ্তুনা ঐবু য়েংবগুম তৌরকই। পাম্বী চেক্লা থিবিকম্মু জুরা জুলা, চাওর চাওরবা উপাল রাপাল হৈপাল লৈপালশিংদুগী মখোঙদা পরেং পরেং হৌপ্রিবা হৈরাং, লৈরাং তাম্মা অশংবা নাপীতনা কীদা থাবকুম শম্লোকপ্রিবা লমহাং, তাম্মা উরিবা ফুরা নাকম মন্নিদা হৌরিবা মনা পুংলবা উপাল ম্লেংবদা পুক্লিং হুখি।

শঙ্গাম্বহুদা থোন্না কনা লমলগ খুম্নবগীদমক্তা চংলকখি। নোংমা চোৎলবা হকচাংনি 'অহুবু অইংবা কাওখিদে। খুমগী কাশিংলো' মথং মথং লাম্হোক্তুনা ম্লেক্কবগী কা ম্লোম্নকখি।

কন য়াম্মা থেঙলম্মগনি অহিংদো অহুবু মহাক ভুমদনা খুগী নিশাদা ইমাক্কহুনা লৈরমখি। খুগী নিশানা হেনখিবনা মশা মত্তোমতা লেপচবা ওমজব্রবা মহাকনি। ঐহাক লমল খুমগনি হায়হুনদি লাক্লি অহুবু খুৎলাইদি অমত্তা য়াওরক্তে। অহুবু করিস্নু চিংনখিদে। তেবল মথক্তা লৈরিবা মাগী য়িত্তোলবরছ ৈনা তপ্না লৌথংখি। নোংমৈ লৌথংখিবগী মথোলদ্ তাওমালে তপ্না মমাগ লৈথোক্লক্তুনা হংলকখি—

"কনানো?"

"ঐনি"

ঐগী ৱাহৈদ্দা মহাক ঐগু মুন্না য়েংলকখি অদ্গা পাখৎনা হায়রকখি, "নহাক"

মানি চিংনব্রা? চেলক্লবনি ৱাংলবা চেকপলদ্ চোংদ্না।"

"অদ্গা মকমসিদা করিগী?"

ঙকপ্রা? ঙকশিন্নগন্নু মচলগী লমলদি মবুংনা শিংফম থোকই। মম্মা মপাগী লমন্দি মচা ওইবশিংনা শিংগদবনি। নঙনা নব্রা চমজরবা ইচলবু পুন্সি পীথম্নহনখিবা ঐ ন্নু ৱাংলবা জেলগী চেকপল-হুংদা নমশিনখিব নব্রা নঙনা ককনিংঙাই য়াওরিব্রা? নিংশিংউ। ইমা অমত্তা নত্তে অনি ইপা অমত্তা নত্তে অনিনি। ঐবু পোকপিরকপা ঐবু য়েংকপিরকপা। ঐবুন্নু ইপা ইমা ইচিল ইনাও মশক খঙহনখিদবনি। মতম চুপ্পা নঙনত্তা ঙমগনি খল্লবা লেপ্পরে ঙসিদি নমাংদা ঐহাক ইমা ববাগী, ইচলগী লমল খুম্ননবঃ কদায়দা চেনগদৌরিবা করম্বা নঙগী ৱাহৈনা ঐগী পুক্লিংবু ইংথহনগদৌরিবা।

নঙনা পাম্লিবলো খেল নত্রা ? পুবা য়াগদৌরিম্রা মঙগী গুসি অদি নাত্রীদা অমদা। লুকখো -ঙনা অশোম্ন অনা কম্নাগী পুস্তিবু নমথাক তৌহনা তাম্নশিনকপা শেলশিংদো।

ঐহাক অইহাক্তং হুমিক্তা লৈথি মাম্নু য়েংনা মর্তোম-গী মাম্নশিরে মাঙনবাদ্রে বা ভাংলকখিদ্রে। শিংশিং কিংশিং তেংথাং-মক্রে। ইচলগী মরম্না শকম্নমদো। ঐগী মিৎলু অমিদগী মীরং লেম্না লৈতনা চেম্নরক্রে। ঐনা থম্মোয় পেম্না লাওথি—ইবুংগী ইবেম্মা মেমী গুসি ইবুংনা মফমসিদা, লোম্নবসে ইচলগী লমল শিংনবগীদমকননিদ্রে, য়েংলকউ অমুকতংদি লৈচিল পোমাই হাংহনা নবুংগী মতৌসে ।”

ঐহাক থম্মোয় পেম্না কত্রবগী মকমদা খুৎলায় থাথি। মশাদা গুলি অহুম পানখি। গুলিনা পাম্নবা মহাক লৈম য়থক্তা চুখি। গুলিগী মৈচাক থাওবা ওমত্রহনা লাওরক্লিনা নাহেখোঙেল শিংদো তাম্নগা ঐহাক থম্মোয় পেম্না নোকখি। লাওথি মফম থঙম্না, লমল শিংলে……লমল শিংলে।” নোংমৈ খোঙেলহু ত বদা ইমুংগী মীশিংদো হৌগৎনরকপগুম ক্তৌম্নি। অহুমু ঐদি কম্নিহু চিংনরুবা তৌদনা মুমগী কাংদা লেপ্পুনা লৈথি।

কনানো মানা কৌম্নিবাসনা—“ইপাগী ইবেম্মা।”

“ববা, ববা ঐ লাক্লে কৈদৌরবগে ? খোঙেলশিংসিগা মমিৎ ভাংলবী মুগী মচা অমা মাম্ন মারংনা চংলকখিবদো—-। ঐ মাগী মতৌদো য়েংবা ওমখিদে “ইপাগী ইবেম্মা ইপাগী পুন্সিদি ওলিনা লোইরেদো” হায়বা খাইহেশিংসি তাম্নগা থম্মোয় শোক্লা হায়খিবদো ববা নঙবু কৈদৌরবগে মীংতাংলবী নচানুপীবু হন্দোক্লমহনা মফম কৈদম চথক হন্নবিদা ববা ঐগীদি কনা লৈতে নঙ'নত্তনা''তাইবং-সিদা নাক্লা চংলবা মতুংদা ঐদি কম্নি লেলহৌগনি পুন্সিদে ইতোম্নতা হাংলবা চাঙবা মুহেজাওনিদা।

খোজেল লেখা তাদ্রি, কুমরিন্নু থাবনা, খাইরমাক্ল ; লোমজে-লংনা লাকপা মায়কৈদা ঐ মায় ও-শিনখি। চহিগী লমাজজব অশেংবা অয়োংপনা থবে। অমৌবনা মচাবু নঙ মমকন লৈদনা শেংদুনা চানবে। করম্বা থাবজনো থাদী, শাজল শোক্লবী মঙ্গল অনিংবু খুদ্রম চল্লনবা হোৎনম্নি অদুমদমক উরম্বনি, অহানবদি অহবু ভাইহাকী মতুংদদি মরি থবে। ঐহাক মমৌবা কবা মখোয়গী মায়কৈ তম্লু রি। ঐনা হায়রখি, ঐনা পাম্নরিবা রিজোল-বরম্ভ উংত্তুনা খোঙকম অমত্তা লেংগদ্রু নথবায়দ্রু পাম্মুরবদি, নখোয়বু মীরা নত্রগা শারা ? নখোয়গে মীমক ওইরবদ্রু মতু পানবা শাগা পাংথক্লি। নজাতিগী নচল, নচে অমম্না চৎকদবা শাজংপু অদুরা ? মদুদি মীগী শাজং নত্তে, শাগী শাজংনি, চৎথো মফমসি—থাদোক্তুনা নথবায়দ্রু পাম্মুরবদি।"

ঐগী বাহৈশিংগুগা লোয়ননা মখোয়শিংদো ঐবু থাদোক্লম্নগা চৎথ্রে। পাখংনা লেপ্লিবী মখোয় অনিবু অমুক্তং চিংনা য়েংল-ম্লগা ঐ বা ভাংদনা খোঙ থাংবা হোৌরকখি। করিগুম্বা থরদি হায়সিবা থনখিবনি অদুবু অদুম্মক ভমখিদ্রে।

"থৌনা কবা মিকুপ অমত্তংদি ভাইবীখো, অদোমগী পম্রিচোই খঙজহৌগে। অদুগা অদোমগী তেংবাংদুম্মু ভমখৈ লৈতনা থাগৎ-চরি ! ইংলবা খোজেলদুনা ঐগী খোঙথাংবু লেপহনখি। তপ্পা থুমখি, ইচল ঐগী পরিচোই করম্বা তাকদবনো ঐ খঙদ্রে, ঐদি লমজা শরানি, ইপা, ইমা অমত্তা লৈজদ্রে।

ঐগী বাহৈশিংদু তারগা চুপীমচা অনিত্তনা তপ্পা 'শোনখি "কবা" লৈত্রবা" ভাইহাক থাম্নি শাম্নবা মজুংদা ঐখোয় মীং খঙবরে। ঐনা চংলমদাইদা মীংতাম্নলবী "চুপীমচা অদুনা হায়রকখি "মদা নচাশিংনু কনা লৈরে, চুপিরবী ইতাম্নোইদি নত্তনা বদানা অচপবু চুপিবীরবদি চুমিং থুদিংগী ঐগী নাক্তা লাকপিয়ু।"

[illegible] কতুংঙা [illegible] খুদিং [illegible] মনাক্তা [illegible] খোয়ি শৌরা মহাকী পাদুং কারনখিবগী [illegible] [illegible] লিকি [illegible] খুদিংগী [illegible] অবাকী [illegible] লিদবি। [illegible] নোংমা হংখি।

"দদা মালেমসিবু কয়ামগুক ফজবগে"

ইবুংগী ইবেম্মা মালেমসিদি ফজবগী ওমথে লৈতে। য়েংলু য়েংলুবা মথক খুদিংদা ফজবগী কজবী ওাক্তনিনে।

নত্তবু মালেমসিগী ফজবসে য়েংনিংব্রা ?"

"য়েংনিংডি দদা, ঐন্থু মালেমসিগী ফজবা অহুবু মীং ভাংলবা ঐনি ইদকী মপোকসিদাদি উবা ফংলরোই।"

ইবুংগী ইবেম্মা ইচলবু নোংমদি শোয়দনা মালেমসিগী ফজবসে য়েংহনগনি।"

"মহাক্না মুমিৎত্তুদা হয়াওনা হংখি অশেংবনিকো দদা!"

"অশেংবনি শোয়দনা উহনগনি।"

মুমিৎত্তুদা ইচলনা কয়াদা হয়াওজাখবা অয়াম্বা মতমদা এ মাগী মীংকৈরমক্তা থন্দুনা লাকখি। মানা নোংমা হায়খি দদা মীংত্তাংলবা ঐগী চৈত্ত ওইরম্বা ঐগী বয়াচুনা চংখিবগা ঐগী পুন্সিসিন্থু লোইরক্রমাক্লে থরুবনি অংবু দদা, দদানা অমুক নচলগী চৈন্থু ওইহনবীবি। দদা নঙ নত্তনা মালেমসিদা ঐবু হংশিবীরা কনা লৈব্রে। দদা নচলবু থাদোক্রপীগদ্রুকো নঙনা শ্রাইবক খীক্রী ঐগী চৈত্ত [illegible]

[illegible] শক্তশিরনি [illegible] [illegible] ঐগী পুন্সিগী [illegible] ইচল [illegible] টহনবা [illegible]।

[illegible] হায়রগা অহানা [illegible] মুমিৎ [illegible] তম্না অমুক হায়রকা।

ডাক্তর হৌজিক্তি 'ঐগী' বাবি' লোইরে।' 'ঈংথৈ পুন্নমক ঐখু থাদোক্লগী—ইতেমিতা 'তায়হৌদে ওজিদি।' চৎলগে [illegible] ঐখু থাদোক্লুনা মকমসে। লৈমিংত্রে মালেমসিদা অমুক [illegible] মীংক্লুপ পুজা খুদিং মিংশিংবতনা ওইহল্লে' ঐগী অথাবা 'ডাক্তর ঐগী ইকায়খদি [illegible] ঐগী মীংদি [illegible] ঐগী [illegible] ইচলগী ফমদা। ডাক্তর [illegible] চংত্রবা মতুংদা 'ইচলগী পুক্নিংথু থেমজিনবীয়ু মখুং ঐখু বারৌদনবা। [illegible] ডাক্তর [illegible] লমলদি পুন্সিসিদা—অমুক থিংবা [illegible]। [illegible] চিঠি [illegible] ইচলগী মখুত্তা শিনবীয়ু।"

মাগী বারীহৈনা ঐখুগী মীংলুদগী পুম্নাং শিথহনখি সন্ধিযা। ঐনা চিঠীদু তপ্না লৌশিন্দুনা হংলুরি:—

পুকচেল চাওরবা মরুপ, নঙনা চংত্রবা মতুংদা ইচলনা তত্তনা হংগদনি ডাক্তর ঐগী দদা কৈদৌঙৈ [illegible] মতমদুদা ঐনা করম্না পাওখুম পীগনি।

মতমদুদা মহাক [illegible] অকম্যক লৈখি, সন্ধিয়া ঐগী বাহংগী পাওখুম পীখিদে। ঐগী বাহৈশিংশিনা লৌইখিরগা অহিংগী অমম্বদা লোইখিরক্লে। মাগী অপাম্বা মতুংদা মাগী মমিংপু লৌথোক্লুনা মমিং [illegible] মচলদা হাপচিনবীখি। অসুম্না মহাকী অঙানবা সংসারগা মচলগী অমম্বা সংসারগা ওরখি।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সরকারমা সরেন্দর [illegible]। ঐগী [illegible] মাদু অমুক সরকারগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কৈ[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] সংসার থাদোক্লগা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাওখুম পী[illegible] [illegible] ওজিদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কৈদৌঙৈ [illegible] ঐগী '[illegible]'"

নঙগী নুংবাবা শাওনুং পীরমহনবা ঐগী রাহং। সুক্ত্যা নঙনা অনুক ফজনা হংলরে। খঙরে সন্ধ্যা কৈনোউরিবা লাক্লুববনো নঙগী দগী হাল্লরা।

সন্ধ্যারানীগী মিংসনবু অনিদো, পীরাংনা লেপ্পা নৈতনা চেৎশিন্ধে। মীংশ্রমদনা থম্মোয়ুস শোক্কা হিক—হিক কপলক্লে।, ঐবু ফিনা য়েংলগা হাইরকখি, "ফ,তন ঐগী দদানা ইরবা চিঠিগী মরোলদো নঙনাবু অমুক্তা তাহনরীবু।

ঐ মাগী রাহৈবগী ফুংগওইরা মতম কুইনা ঐগী টেবল মথক্তা তাহনা লৈরবা চিঠিহু লৌখৎত্তুনা তপ্পা কাকতোকলুরি। ঐগী মাওদা অবা শক্লোন পুহনা লেপ্লিবী সন্ধ্যারানীবু অমুক্তং চিংনা য়েংলুবগা তপ্পা তপ্পা চিঠিগী মরোলশিংহু পাথকরি—

"ইবুংগী ইবেম্মা সন্ধ্যা,

ইচলগী মকমদা করিগুম্বা থবা হায়গে থন্না লৈরকপা কুইরবনি। অদুবু মতম অমদদি হায়নবগী পাঙ্গল লৈখিদে, ওসিন্নু অংম্মক হায়বা ওমমত্রে অওৌবা চেবাংথকসিদ ইরম্বা নত্তনা। সন্ধ্যা ঐগী পুন্সিদি নিংবা কায়না হৌরকই, নিংবা খুদা লোক্লকই ফুংঙাইরবা পুন্সিগী তাওকক কয়া। ওসিন্নু অহন্মক হনবা তারে নিংওমদনা কায়রবা থম্মোয়সে পুহনা। ইবুংগী ইবেম্মা নঙ ইবুংবু বারৌ-গম্বুকো, মুমিং খুদিং ঙাইবদাই ঐবু নঙনা নথোরগী বোকুল পাম্বী মথোওহৃদা ওসিন্নু ঙাইরম্রিবা ঐবু মুমিং খুদিংগীওম। অদুবু ঙাইরুনবু, ঙাইরুনবু অমুক হন্না শাল্লমোই নঙগী দগাদি নথোয়গী বোকুল পাম্বী মথোওহৃদা। নঙনা মুমিং খুদিং হংবদাই লোইনাইরক্লবা বাহং কয়া ঐগী ইকলবা অদুবু হংনুনহু অমুক পীরমোই নঙগী দগানা নঙগী রাহংগী পাউখুম।

ইবুংগী ইবেম্মা নঙ উকরা মালেমগী কঙলাও মমলমচন মালেমসিবু। নঙনা লোংমা হায়খিবদাই মালেমগী কৌরবলে অংনিংতি

হায়না। সন্ধ্যা বারী অমসু লৈরে নিংশিংত্রবরনে নওবু নওনা নোংমা বাশক্থিবদাই ঐসু পাবুং হাংখিবগী লমল শিংগনি হায়না। নওগী বাশক ভান্নরোইদ্রা? সে……ভারো হায়রগে নওগী ববা হাংখিবা মীশক্তো। নোংমদি নওনা য়াম্না খওনিংনা হংখিবদাই বাহংসে। মতমহুদি ঐ নওগী মকমদা পাউথুম পীখিদেদনা অদুবু ওইদি পীরগে ভারো। ঐনি নওগী ববা হাংখিবা মীশক্তো নওসু লমল শিংলোইদ্রা ঐগী ইকমদা। ঐসু লমল শিংত্রিবহুদি ঐগী ববা হাংখিরগী।

অদুবু সন্ধ্যা ঐগী বাখলনী লানবা ওইরন্ত্রে। য়েন্নবগী মকমদা ঐগী লমল ঐনা শিংগদবা নংলমদ্রে, ভাকপিবদা লমল শিংবা শকত্থবা ওইরম্লে।

ঐদি মীহাংপনি, লেনবা তারে পুন্সিসে বাংলবা জেলগী চেকপলন্নুংহুদা। উবা ক,লরোইকো ইচলগী শক্তম ইচলগী থোক্তে লমু ভাবা বংলরোই।

সন্ধ্যা মতম অমদদি ঐসে নওনা নবুংমক্লি থল্লমই ঐসু ইচলগুম অহুমক নওবু ভাক শেন্নবীরম্মী অহুবু নও ঐ য়েত্রবা ওইরেকো। অদুবু ঐদি অহুমক নওবু ইচলগুম খনখিগনি। [illegible] বোক্ত্র পাকী [illegible] অদু ঐশে [illegible] লেইরকচ। [illegible]……[illegible] ইবুংগী ইবেমা, সে কপকহু সে……ইবুংমা পওহায় হায়গ্রমালে। লাইনিরা ইবুং,

শোইদনা মোংবা নজ্বগা মোংমদি ... ...।"

নহাকী,
নমুং মোনেল

ঐহাক ঙাইহাক ছুমিন্না লৈখি, মিংলুদগী পীবাং অমা অনিংখক অঙৌবা চেনোংথক্নদা তাখি।

ঐ তপ্না লুকপ্পরম্বা মায়থোংদো হাইগৎতুনা সন্ধ্যারানীগী পীরাংনা কোৎলবা মায়থোংহ্ ফিংনা রেংঙ্গনা লৈখি।

সন্ধ্যারানীদো ঐবু নিংঙমদনা য়েংলদুনা হায়ঙমদনা হায় দোরকখি-"ডাক্তর, লাকখিগনা ঐগী দদা মোনেলহন্বু। ঐনা কয়াম্না থানা ঙাইজরকপা ঐগী দদাগী শক্তমবু অমুক্তং উজগে থগ্না। কয়াদা থাংনা শাগৎচখিবা অশাগী মঙলান কুমা অহন্বু ঙসিদি মচেৎ কয়া থোক্না নিংথায়রক্রে। ঐবু মীৎ উবগী কান্নবা লৈরিবনা। ঙাইখিগন্না ঙসিন্থ ঐহাক এগী দদাবু।"

থাহৈশিংসি হায়রম্লগা সন্ধ্যারানীদো মমায় লৈথোকখ্রে। তপ্না মথোঙ থাংবা হৌগ্রে। ঐনা হংখি সন্ধ্যা 'চৎলগেরা'। অহন্ পাঙথুন পীরমত্রে অম্নক তপ্না তপ্না মথোঙ থাংগ্রে। পীরাংগী মরিকশিংদুদি লৈমায়থক্তা অম্নক তাহৌরি।

থুমিংগ্ন তাখিগদৌরব্রে, উপাল থাপাল পুম্বা ছুমক ছুমক ছুমিন ছুমিন লেখুনা লৈগ্রে। সন্ধ্যারানীদো অহন্মক ছুমঙ্কিং চৎলগে, থুমিদাংথাইমলগী মমানি মমাশিবা মমক্তা অম্নমক তামগ্রে সন্ধ্যারানীদো।

ঐমসু কয়া অমা মাপী মচুংদা ইমাকে অমাওজন। কন্নোম মনো মায়া চংলিবা খোঙথাংদো লেপ্পা লৈত্রি। মুগিন্দু ডাক্কে মকম পুম্না অমবনা কুপশিনথ্রে। অ.মু নোংমদোল থক্তা থা থবানমিলকশিংবি তমং তাং থোকখ্রে।

অমুম চংলবদগী সন্ধ্যারানীগী মোংবমথন্তুনা লেপখ্রে। মনাক্তা হৌরিবা লৈবাংশিংছ থবা হেক্রহনা মোংকম থক্তা চাইথরি। মিংলুদগী পিরাংমু লেপ্পা লৈতনা শিঙ্গরি। থম্মোয় শোক্না তেংথ রি—

"দদা, নঙগী শক্তমদো মীকুপ অমত্তম উজহৌত্রেদো; অহুমু নঙগী খোইথুম্নরব, খোক্লেনদুদি এমগী থম্মোয়মুংদা নিন্দুনা লৈহৌরে।

"দদা নচলব কংদা শিঞ্জীরম্বগেনে? কনিষ্ঠীমে নচলব অচ.কপা মৈরকসিদা লংশিনবীগী মরিবা মচম্ব অমা পুক্নিসে লেলহৌগদৌরিবনো ?

দদা, নচলগী অতৈ কংশিংঙাই লৈজদে মিংলুদগী শিঙ্গরকপা পীরাংশি নত্তনা। দদা, ল.কখোকো অমুক হন্না নচলনা বানা দদাব ঙাইরিনে দদ: থুম্নকউগবা অমুক্তদি; নঙব কৈদৌঙৈ লাকদগে নঙদি চংগ্রে, মীকুপ অমত্তমক ডাল্লরগা, কৈদনো ঐনা নঙব থীরুগদবা? দদা নঙদি অচম্বা নত্তেনে লৈরমখিপগী নঙ-মুক খোজাল হৈবা মালেমসিদা? অতিয়াদা থোক্লিবা লম্বাংনরবা কন্নাগী লম্বী তাকপিরিবা যুগ যুগ থুদিংমক মুংপা মাইরয়োইদবা ধ্রুবতারানিনে ধ্রুবতারা।

চংখ্রে শক্ত্যারানীদো নিংবা কায়না বাহৈশিংসি ঐরু "হংশিদুবা" মোংকমথকুনা লেৎনুমি। মোংকমগী ম ঐরেংশিংদুবা য়ানা শিংরেম্বা [illegible] মখিক মফিক। [illegible] মায়া [illegible]। বাইহশিংদো মোংকমথকুনা থিলহৌমি। "নিংলে মতম চুমগী ওইনা মোংকমথকক্লিবা মখিক কাবী; [illegible] মুং[illegible] মায়োকনবিনা মাতৃবিকাওবা।



অইবগী মথংগী খুদোল

"ভেংথাখোল"

অমুক্তি অহনবতবা খুদোল ওইনা লাল্হোকচগদবা

"মৈরিলকতা"

অহগা রামানন্দগী

কান্নরবা রাসকপুসু মতম ভাইবীরু